সিংহেল লাইজা ইবাওখোল



প্রকাশিনী

থিংঙেল লাহজা ঈরাওখোল

প্রমোদিনী

ফোঙজবী—থাইদেম সখি
কাকৈথেল।

অহানবা ফোঙবা—১৯৮৪
কপী—১০০০

মমল—লুপা তরামঙা।

নম্ফম—আর, বি, প্রিন্টিং হাউস,
নাগা মপাল, ইম্ফাল।

চন্নুরা !

পুন্সী লম্মথাংগী খোঙবুরোই

পীনীংঙাই কৈস্নু লৈতে

সে

থিংঙেল লাইজা ঈরাওথোলদা য়াওরি

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

—o—

(১)　　৩১।১।৮৪

চঙজরক্লে ঙসিদি চঙজফমদা

চঙজরক্লে ঙসিদি চঙজফমদা
তাইবং মপুগী খুয়াথাদা ॥

নুংঙাই য়াইফরিঙৈ নীংশিংলুদে
বাংতা পাদা লৈরিঙৈ খল্লুদে
খুদোং থীবা ফংলবদতা
অৱাবা তারবা মতমদতা
নীংশিংলি শোল্লি নঙতবু ॥

হে তাইবং মপুও নুংশিবা
রাখল থেনবা মীওইবনি
মপু থঙদবা মপোকনি
লংনবা তৌদা লৌশিনবিয়ু
লেননীংথু ঙাকপীহৈবা নঙনা-

মপোক লাঙোন খুদিংদা
তাইবং মীওই মপোক্লা
তাইবং মশক থঙজবা
থৌগলজনা নখুয়া থম্বাল
পীনবিয়ু হে তাইবং শেম্বা মপু - ।

 ১৪ । ৪ । ৮৪

কংথোকচরে থৱায় মঙা

কংথোকচরে থরায় মঙা
পালেম নঙগীদমক— ॥
লৈরাং থম্বাল মানবী ইমা
কোলোই হেনবী ইমা মণিপুর – ॥

নীকংক্লা মঙাল চাউবী নি
য়াইপুবদি লাইবেল লাংকথো পাখং
মাগীদি য়ালেংগ খুম্বাকফম
পাম্মোইবগীদি লাইরেমফম— ॥

য়াইপুবা পালেম্না অথোকপানি
য়াইপুনা পখৌনা অপোকপনি
য়াইগীদি লৈবাক্তা পোকপা য়াই
মপান্থ নমোম খিবক্লা
লোয়েগী মথা মন্দনা
থাংকেৎকী মচি লাংতুনা
অচেৎপা থংনক লৌবগা
পালেমগী থৌগল ফংজবগে
চোংথোরকপদা থৌনা ফনা
পুক্লীং ভুজুং পোক্লবা
কনাদি নৈরি ঙাইবংদা— ॥

মালেম শাংনা ফাওরিবী
পালেম মচুবু নুংশিবী
নঙগী থৌগলদা পাম্মুজবোই
থরায় মঙা থরায় মঙা— ॥

(৩)

ভাস্তুলৈমা ইমাগী থোগলদা

মতীক মযাই চেননা ইমানি
লীংজেন পানবী পন্দেমনি
খুকমজারি খুবাং চাংডো তপা লেংবা ॥

নচা শিংগী মুংশি খুদোংগি থম্না
লেচঁশনা নাবো হন হনংগনা।
যাইফ শন্ডলেন শঙ্গাংনাংনা ইমা
নংচবা শন্ডংলগি থম্মোংয লেংনা
াংগম ইমা নংগাদনক— ॥

ইমাগী হবাও মীংনাক য়েংদগা
হনগে লাংজিবা নচা ঐখোয়
নংগুংশান নাইবেন নফবী ইমানি
নচা ননাই চানবিনি— ॥

পাংমগী খোংগাল যংবনা
[illegible] মতং ওইজগে— ॥

কুস্নী কুম্নো শিঙ্গা নোং

[illegible]সিনা কোবৌ [illegible] [illegible]াংজাদি
কুস্নী কুম্নৌ শিঙ্গা নোংনে যাইফনো —।

[illegible] যাইপুবাদি [illegible]
[illegible] [illegible] মযোমদো
[illegible] তেনজনদি থাখিনো
[illegible] [illegible] [illegible] চৈথ বা— ।

থা [illegible] [illegible]দিবাদি [illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] —।

[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] —

[illegible]
[illegible]
[illegible] নবা [illegible]বনে
[illegible] মস্তা [illegible]নানে
[illegible]
[illegible] —॥

(৫) ৮।১১।৮৩

কুমশি কুমলেন্দি কুমন্নুংশি

ঙসিনা কোরৌ নোংলেন্দি
অনৌবা কুমজাগী অহানবা কোরৌনি
য়াইফ কোরৌনি ঙসিদি ॥

হৌরবা কুমদি কুমন্নুংশি
চৎথরে ঙরাংতা নোংয়াইদা
শিঙরন্নগা কুমশি কুমজাদা ॥

কুমশি কুমলেন্দি কুমন্নুংশি
ওকচরিদো তরায়া নহাকপু
কংলৈ চা চন্নু খুদিংনা
খুবাং চাংজো তরা লোম্না ॥

নিঙরি নপারি নগোমশিংনা
অনৌবা থোনা অনৌবা পাঙল
য়াইফবা কংলৈ ওইনবা
বাংতা পাদ লৈনবা
কংলৈ মরা তঙবা ॥

হকচাংনা থবায়নি

হকচাংনা থবায়নি হকচাংনা পুন্সীনি
হকচাং যবনা অথোইবা নম্বি
শান্নসি শান্নসি হকচাং যনবা ॥

শান্নবদি ভমনমশাগী পুন্সী মতৈন
শাগ্নবনা পুরকপনি থকসে শাসি
বাংলুপকী অচেৎপা নীপুন ॥

মৈতৈরোন্দা হঙ্গৎনা যেংসিদো
মরুপাদা বাইদা চেংপোকদা মা : । ন
নাপা নৈতবা ঐতোয়নি ... ॥

মাংলেম শাকনা ফাওনিবা
শগোল কাংইল শগোলনা বাংনৈ
লৈপিবনে মণিপুর সনাগৈ বাক্সা
কাউগন্নসে নহারোল নিংশয়না—কাউগন্নসে ।

থাং শাগবা কাং শাগবা
... তাম্পা মশাগনি
লৈতৈ ঐতোয়গী মশাগ্না
মাংনমদা অনী শুদবা মশাগ্না।
কাউগন্নসে নহারোল নিংশয়না – কাউগন্নসে ।

হকচাং পাঙ্গল কংহনসি
পুন্সী নীশাং ভৎকনগন্নসি
মংলেম লামন শিংনবা
পোক্নফম নামদম ইমাগী – থৌগল যংক ॥

ঙসিনা কোরো নোংলেন্দা

ঙসিনা কোরো নোংলেন্দা
[illegible]নরম্মা নবা নোংজান্দা
থুনদা মাযাম্মা [illegible] [illegible]লেন
[illegible]ঙারে [illegible]লেন যাইরা [illegible] ।

[illegible] মীযান [illegible]
যাইকনা [illegible] থোবেপ[illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] পা[illegible] [illegible] ॥

[illegible] ডাং [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible]
[illegible] কো[illegible] [illegible]
[illegible] [illegible] [illegible] ।

[illegible] [illegible] [illegible]
যাইরা [illegible] [illegible] ॥

কেগে থব্রায় লোক্তাকনি

পোইবৈ লমদম'দ নানমুংনি
চব কৌক গসূপ্পা
বানা চাউনা বাংব্রেম'দ কোনগ। চন
লেংপেংক পাগ্লোইবিগীদি নাইউনগম
নাইবী চীবোন মাপম্মদি কোযবনান
কেগে নবৈনা নাইজকোন
নু শিখবেনা নমদমসে
তো ন সুংব্রেদা পোইব্রৈকে ॥

ন মা পাবা চাংমুং
অর্থাং কেন্দ্রা নামমুংনি
অনা নাপল গাব্রেনোক
কেগে থবায় লোক্তাকান
অ লোক্তাকানি হো কে বাকনি

থুয়ং হাগনা নাঙ্গবা
চৈব কি ন দা নানকা
না নাগুচে কিনক
বাংনাপবনে পোইব্রৈসিদ
বাছেপাকনকে ॥

পানি ইমেম্ম কযানা
পানা চাকমু চাকগুন্দা
চৈব কিমু যিগুন্দা
লোপন্নিবসে উনদা
খুম্মাহ নাম্প মৈহৌরে
লোগাক লাইনা ঈবেনা খাক
পানা নৈমুংনীবলো ॥

পলেম নঙবু সুংশিবী

পলেম নঙবু সুংশিবী
কনম থাদোক্কাসগে নচানা
নংখাক্কা শাংচনকপা
নকাইবাদা চাঙ্জেরকপা
যোকচাবী ইমা ইমা নচেং
থাদোবাং [illegible]বাই
বাদোগল্লকা [illegible] ॥
[illegible]নোব [illegible]
[illegible]ক্কাক [illegible]মা [illegible]
থাংজুনগে [illegible]ঙোনাসনা
[illegible] থাইনা [illegible] ।

[illegible] শিকা
চ[illegible]মনাই [illegible]সদা
[illegible] উ[illegible]
[illegible] নন[illegible]
[illegible]
[illegible] লাঙোনাসনা
নপোক [illegible] ॥

[illegible]ক্কাব [illegible] শি
ইপাম [illegible]
[illegible]ম পন্থে [illegible]
পাদনা পিবুক থোইরা
[illegible] চাউ[illegible] ত্রিহাকসে
[illegible] থানস্থ ত্রনমীদা
[illegible]যমা পিবুন পিথমনে ॥

পোম্লগা লোক্তাক লাইজা ঈরেংথক

পোম্লগা লোক্তাক লাইজা ঈরেংথক
লৈশাং ঙমখিবী নমনোন চোকপ
খুগা নানবী কোক্বানথক
পাম গুংশি লম্বাংনবা ॥

নু ঙন থম্মোয় বাযথনেদো
নবগা নোংদমখোন ইবনো
পাম্বুইদা পাম্মুখবেদা
পাম্মুইদা পাম্মুগনেদা
হো কল্লবইদা কলবই
হো কল্লবইদা— ॥

লোক্তাক লৈনই মমানবোয
নগাম পোইবৌ পা
বাংলেন খইরে খোড়নইবা ॥

নোংদম থৌবি মাপোক খইবনা
হন্দব লাড়োন অসিননীদি
তাইবং থৌগল ফজবনা
হো খইবোকো পুন্সী নাঙ্গী
হো খইবোকো নংগীদি ॥

ঐদি লাইজা ফংদ্রবা লৈপাক্লিং

ঐদি লাইজা য দ্রবা লৈপাক্লিনি
নংগী পুক্সা লৈবোক্লদা
শোম্নামনবস্না লৈবোক্লিদে কাখরে
মতমগী শারবা হুন্ফিংদা যৈহুনা ॥

নাংশংদা তৌজিকস্থু
থাংবা ঐনা নংবু
অশাগী পানেং ঙহহুনা
থজবা লাইজবু খিঙ্গুনা
খঙ্গ্না লোনগবা এহাম্না
পুংখনা নমগী উরৈনা নংবু ॥

নাংনখ্ববস্থু নংগা ঐগা
নংগী নাংল চাউববা
থাহদিবকা লোইশিংদো ঐগী
নংগ্ফা ফানে চংসি
সানবিবো হুংশি নিদায মঙ্গল ॥

 ২১ ৬।৮৭

করিগী হুডুনা পুবনো

কনিগী হুডুনা পুবনো
কার্নদনা থরায়বু ॥

চংলি হিংলি হায়নতনি
কৈলাদে পূরুকাংদে
থবায় য়াগুদনা
চমৎকৈ এগা নাখল
হাকদোকযমসু খড়দে
বাড়দোকযকমা কৈড়ে ॥

থবায় রুখিনগী রাবা কনাই
কনাদনু মোদোকসুনি
কনোল খড়দবা নাইবু
বনানা তাবানি
নাড়তনি কাড়োনি
থবায় হুনগী বাবা ॥

নারিবিবনু অমুক হন্না
পাকসু থরায়
নায়রবা থঙ্গোয়ঙ্গী থবাংনে
পুডুনা চংলগে
সিতারি পাগিরগো থবায় ॥

মায়থীখিদে ঐ

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

— ০ —

লীররোই অমুক হন্না

লাঁবরোই অমুক হন্না
পেনাহৌদবা থম্মোয়গী বারাসে
খুঁশি নবাদা নঙগী ॥

খুংশি ঈচেল কয়া চেল্লকনি
থম্মোয় চাংজৌ [illegible]নি
খুংশি ঈচেলদি ঐগা
চেল্লবরোই অমুক হন্না
পুন্সি নৈকোলদা নঙগী ॥

থাজ কয়া কয়া পোৎকনি
ইন্নু তৈনা [illegible]নি
পামডবা পানিংদি [illegible]গা
চাল্লবরোই অমুক হন্না
পুন্সী নৈকোলদা নঙগী ॥

মালং নঙবু অঙাওবা

মালং নঙবু অঙাওবা
খঙ্গান নঙবু মুংশিনা
পোইরৈ কেদা লৈএবনো নঙবু ॥

নহানোং চতুবা থহবী মুজানা
চরাঙ থোই কানবৈঙ তোয়না হাক
মুচা থম্মোয় ঈ হল্লখা ॥

চাকলিবা লেটাক মুহৈ থম্মোয় লানামু
ইমুং মনি ওইবরুগা থোইনা তেংলদো
লেচাক নংগী অকনবা ॥

মু লা খুংনাম তোয়না লৈজরে
চাত্রংমা নঙবু মালং নংবু
মুগা পাঙ্গলনি তাময়া ফংলোই নবং ।

 ১৩।৫।৭৪

থম্মোয় পোনগী নুংশি পোশ্বী

থম্মোয় পোনগী নুংশি পোশ্বা
পাংদে বো পাদোংলবনি কচুনু ॥

লোন নদোন অতিয়া মানংদা
মনীং ওয়া পাইতংশী
নুংশবা থম্মোয়না যাবনি নচনু
পুন্নবা চৈনা ওংগী হবদে ॥

সমজা নয়া চুরা পাঙলবনি
নগী থম্মোয় কানা
নুংশি যাংখিলং থাদুনা নাবা
যোদবননি [illegible] বা নচংদা [illegible] ॥

পাল্লান নাবু খুদোংদা
লোনগী নুংশি যোংহৌ
[illegible] বনি ঙাগাদ ত্রৈনা
নংনু পুন্না নুংশি যোংহৌং ॥

 ৪।৫।৮৪

করম্বা মৈচাক্লো কনাই মৈচাক্লো

করম্বা মৈচাক্লো কনাই মৈচাক্লো
চাকলিবা মৈচাক থম্মোয় লকাহ্নুং।
কায়রিবা থম্মোয় শিঙ্খরক্লিবা পিরাং
কনা মণ্ডুংলাংগীনো॥

কাউরগে হোৎনৈ কাউডমদে
লাপথোক্লগে থল্লুই থোইনা নকশিল্লকই
করম্বা থম্মোয়গী লীলানো
কনাগী মুংশি কুম্মৈনো॥

মুৎডমদরে থম্মোয় মৈচাক
থিংডমদরে মিৎলুগী পিরাং
কাউডমদরে চেংলৌ শক্তম
চাকচরসঙ্গ পুন্নী চুপ্পা মুংশি মৈচাক॥

 ১৮ । ৫ । ৮৩

থয়নগনি খঙলম্লবা

থয়নগনি খঙলম্লবা
মুংশি খোঙজিন্দা নঙগা ঐগা
লাক্লমলোইদবনি ঐ ॥

কবিদি তৌনি হৌজিক
নীংবা কায়রবা পুন্সিংসে
মচেৎ তাববা থম্মোয়সে
থনমখোয়া পুজখোবা
পাউথুম অমতংদদি ॥

খঙলে খুন্নীংদরে খুমদরে নহাক
ঐগী থম্মোয লকান্নু গী ম্বাহং
ঐগী পুন্সীগী অরোইবা ম্বাহং
পাউথুম পীনীংদরে পীদরে নহাক ॥

নীংঙমদা খাম্বী মৈরি মৈরাইনা
পুন্সী মৈশা লাংগদৌরি কনানো
মিৎলু পিরাং ঈহৌরিবনা করিগী
কায়নবগী অরোইবা পিরাংলা
পাউথুম অমতংদদি পাউথুম অমতং ॥

 ১৯ । ৭ । ৮৪

থেংনরুরে মমিং অমা

থেংনরুরে মমিং অমা
হৌগ্রবা পুন্সী ঋারীগী
হাংদোকলুবদা লামায় খরা ॥

মমিং অত্তুনা নীংশিংহল্লে
লোইশিনগ্রবা ঋারী কয়াবু
কায়রুরবা থম্মোয়গী মুৎলুরবা মঙ্গি
উরক্লে ময়েক শেংনা ॥

হৌজিক্তি ময়িসে মুৎলরোই
ঐনা মুথংপস্থু ঙম্মরোই
লৈজহৌরসম্থু ইতিহাসকী লামায়দা
থম্মোয়গী ময়িসে ময়েক শেংনা
নীংশিং খুদোল ওইনা ॥

                ১৭।৭।৮৪

কনা মঙুংলাংগীনো

কনা মঙুংলাংগীনো
মুংশি ঈথৌ লাংলিবা
কনানা থোনগংলম্বা
মুংশি পোৎলুমনো থাডমজ্রিবা ॥

য়ারক্কী হৈরাং তয়ারনি
লমলক্তা শাৎপী কেতুকিনি
মিহৌনীংঙাই করি লৈবিবা ॥

মীপুম খুদিংনা কপ্লক্লবা
করম্বা মঙুগনো চেল্লিবা
খৌরাংলি ভরা মচানা ॥

ঙমদবসু লৈতে মহাক্লা
থুংশিদবসু ঙমদে মহাকপু
বাল কোঙ্গায় লৈরসু ॥

মুংশি ঈথৌ লাংহল্লিবা
লাকথোং পোৎলুম থাডমজ্রিবা
ঙাক্লনি মহাক্লা ॥

 ১৭।৭।৮৪

মুংশি থম্মোয় লৈকোন্দা

মুংশি থম্মোয় লৈকোন্দা
নৌনা লৈশাং তম্নরিবী
নঙবু ঐগী কনানো ॥

লেপ্নাইত্রবা পুন্সী ঈচেলদা
লাইজা ঈনোং হাপ্নরিবী
কনানো নঙবু শকহেনবী ॥

য়াহৌ থেঙবী ওইবনা
নীংজবা পম্মুং য়োরোইদৌরে
খল্লুবদা কায়রে থম্মোয় ॥

তাইবং চেংজেল লোইখিদৌরে
পম্বরগম্ খোঙকাপ তোয়রো
পামজ পম্মুং য়োনবা ॥

১১ । ২ । ৮৪

মঙাল অমা ঈংলবা

মঙাল অমা ঈংলবা য়েন্নকখি
ঐগী থম্মোয় লকা তম ॥

মঙালহুনা শুমহৎখি ঐগী পূক্নাং
ঙালহনখি থম্মোয ঐগী লকান্নং
নোংদম থীবা মপোক ওইবনরা
কুমজা অমবু ওনখিদে মঙালদো ॥

পোইরৈ লমদম কৈদবু চৎখিবা
ঐগী পূক্নীং শুমহৎলম্বা শুমহৎযাই
মুংশি লমদম কৈদবু ঙানখিবা
ঐগী থম্মোয় ঙালহল্লম্বা মঙাল ॥

ঙাল্লদবে অমুক ঈংলবা মঙালদো
মুৎখবে মাঙখবে লৈখিদরে শুমহৎয়াই
মাঙগ্রবা মঙালহুগী তেংথাখিগদরা ঐবু ॥

 ১৯।৭।৮৪

নূংঙন থম্মোয় কায়হল্লম্বী

নূংঙন থম্মোয় কায়হল্লম্বী
নহাক লোৎলগন্থ অমুক
পীরগন্থ কায়না চৈথেং ॥

মুংশি নপাউখোল তাখিদবা
মুংশি চেংলৌ উখিদবা
লোইদাম থাজ য়ান্নক্লে ॥

লাইরমলেন্দস্থ থিরুরে লৈবমদে
মীরমনেন্দস্থ য়েংলুরে ফংদরে
কৈদবু লোৎলিবা নহাক্কা ॥

থোরকলো মুংশি পাউমেন্নরসি
থবায়না পোম্বা ওইনরগা
মুংশি লমন শিংনরসি ॥

থম্মোয়নুংগী নুংশি লালহৌ

থম্মোয়নুংগী নুংশি লালহৌ অকনবা
অদম্মা মাযোক্নদৌন্নবা লাল্লবা ঐনা ॥

নঙনা ঐগী থম্মোয়গী থম্মোয়নুংদা
যেংবিরম্বা থোক্লদি চঙতুনা করিগুম্বদা
উরমগনি ঐগী শক্তম অশেংবা ॥

ঐগী ঈবালগী অচুম্বা মশক্তো
নোংমদি শোয়দনা থঙলক্কনি নঙনা
মতমতুদা হুল্লক্কনি অচুম্বা মিঙ্গল ॥

ফাওবক্কনি নুংশি চৈনা অকনবা
চীক্লবা মোংফম মথক্তা ঐগী
হঙ্গাম মকুনা মতোল চোংলকপদা ।

 ৫।৮।৮৯

পুন্সীদা নুংশি নুংঙনগী

পুন্সীদা নুংশি নুংঙনগী
তাংকক কয়া হৌখরে
লাকখিনি কয়া অমা ॥

তাংকক অমদা থেংনখি
পোন্সী অমা নুংশিবী
শাইদাংহল্লি পামেল অমদা
পুন্সী কায়দোং শেমহনগে
পোন্সী মহুম শাহনগে ॥

নোংলৈ নুংশিং অকনবা
মায়োক্লখিবনা শাবা নংখিদে
পোন্সী মাগী মহুমদো,
পামজবা পামেল থাদোকখি
পাইখি কায়দোংফম খঙদা ॥

কায়দোংফম খঙজবী পোন্সী
তাংকক অমগী খোঙবুবোই
নীংঙমদা মৈনা চাক
কায়না পিরাং শিন্থতুনা
নুংশি খোঙজিন্দা লেপলিবী
চাকচরসন্থু পুন্সী চপ্পা
নুংশি মৈচাক নঙগী ॥

শকখঙদবা নঙবু কনানো

শকখঙদবা নঙবু কনানো
নোংমা উখিবা অচিকপদা
ঈংলবা অহৈংগী থাবলদা ॥

মিংকা মিংকা মিংচানা
নুংঙন থম্মোয় অনীনা
কয়'দা পেম্নখিবা লকান্নুং ॥

থম্মোসন্নুংগী নুংশি য়াম্বা
ফো ঙমদা লৈহৌবা চাক্লা
ইদোম তরক লেপত্তুনা ॥

উত্তনীংবা চেংলৌ শক্তমদো
কোক্লনবা নুংশি ঈখোলা বঃ
মুংননবা থম্মোয় মৈচাক ॥

 ৪ । ৮ । ৮৪

নীংঙমদা মৈনা চাক্লেদো

নীংঙমদা মৈনা চাক্লেদো
মাঙলেদনা মাঙজরেদনা নঙদি
আঃ চাকখরেদা চাকইদা ॥

পোইরৈ কৈদা থনম্লবা
নঙগী মিৎস্না মুংশিবী
থম্বাল মানবী শকহেনবী ॥

কনাই শারৈদগী নঙনা
ঙসিগী ফিভমসি ওইরিবা
পায়মা বাখল থেনমল্লি ॥

নোক্লা চাউবা তাইবংসিদা
করম লেনগে হায়রিবা
পাউথুম অমৎংদি পীরম্মো ॥

থাদোকপীরম্লো ঐবু

খোমলেন মঙলানচাদা তোয়না লাক
করিগীনো তত্তনা ঐগী তূম্বা কায়হল্লিবা
মুংশি করিবু পাউদমগে খল্লিবা ॥

থাঙমজ্রবদি পামেলদো কনানসু পায়ন্দ্রবা
পাইবিবরুগমু পোম্বী ভংলরগমু ঐবু
উৎপীবমু মায়খোঙ তাহনবিরমু নপাউ ॥

চাক্তাযম তিন্নদরে কায়দোংফম খেন্নরে
পুন্সী লম্বী থয়নখবে নঙ-ঐগী
লোয়নবা য়ারবোই মপোক অসিমগীদি ॥

তাইবং চিঙ্গাক চাদ্রবা নহাক্তি
তাইবং মীরমলেন্দা তিনদবনা ফরে
য়ৌখরো লাইরমলেন্দা থাদোকপীরম্লো ঐবু ॥

য়েংজনীংদরে উহনবিরম্মু

য়েংজনীংদরে উহনবিরম্মু চেংলৌ শক্তমদো।
তাজনীংদরে তম্বীরম্মু কোলোয় নপাউদো
লৈবিরম্মু ইনাক্তা খোঙকাপ বায়বিখরো
থাদোকপীরো মুংশিজবা লমদমসে ঐগী ॥

মীন্নুংশিগী লাইজা ঈরিক পক্রুবা
হঙোয় কোমদা পান্নবদি ঈরুপ্পা
যাতানীংলবদি য়েরু ভিংখং মথক্তা
চিংদমন্নদে থম্মোয় থম্বাল লৈয়োন ॥

খোংদোয়রো পীরবনি কায়না য়াংং
মপোক [illegible]াংঙোন কয়াদা ফংডমদ্রবা
পাম্মুঙবা য়াইনিকো মমল নাইদ্রবা
পুক্নীংদা অক্লাউ পবৈ চনফরোই ॥

কায়না খিডং মকম ধুপ
[illegible]মদা খাম্বী মৈরি মৈবাইনা
[illegible]দা থম্মোয় শোক্না লঙনা
[illegible] চাইবা বনা লৈরোই[illegible] ॥

শানৌ নঙবু য়েংলম্লোই

লুংশি খাম্বী মৈরি মৈরাইনা
কেম্নমলে ঐগী থম্মোয় কেম্নমলে ॥

মালং খঙোল ঈরোয়না
পাইযু নঙদি পাইযু
মায়গৈ শালাই খঙদা ॥

মালং শউম্না লেপথিবদা
শাগন তুফাং য়ৈঙম্লোই
অরা ঈপাক্তা ভাগনি ॥

অরা ঈপাক্তা ঈরাক্লবা
মালং মাদি য়ে'লম্লোই
শানৌ নঙবু য়েংলম্লোই ॥

 ১০।৪।৮৩

পামজরুবা শৈরেংনি

পামজরুবা শৈরেংনি
হৈনজরুবা শৈশকনি
ময়ংশিজরুবা শৈহেকনি
শকচনীংবা শৈরোলনি ॥

লম্নাই ওইবা পামজদে
অমতগী ওইবা হৈনদে
মাগীসু মহুনা অপাম্বনি
ঐগীসু মসিনা অপাম্বনি ॥

অরেপ্পা ৱাশক্নি মাগী
অচেৎপা ৱাখলনি ঐগী
ঈথিল অমা পী মানা
ঈনোৎ অমা হাপ্লী ঐনা ॥

চোৎলসনু পৎলসনু মতানি
হয়থরক্নি কুমগী নোং
মহুনা হেন্নহুম তেকথৎখরে
পুমশং শংখরে উতোন-ৱাতোন ॥

 ৭ । ৬ । ৮৩

নঙদি খঙদে নঙদি খঙশিন্নদে

নঙদি খঙদে নঙদি খঙশিন্নদে
নীবা কাযবনা পোলোই ওইনি হায়বসে ॥

শঙ্গোমমুংগী তোমথিন শিঙেলবু
চিবথংলি চাগংলি মাঙহল্লি
নৈবাংগী নৈনা নৈয়োন নৈরিক
নঙদি খঙদে নঙদি খঙশিন্নদে ॥

অমনা মখোঙ শোমলি
স্মশিং চাইবি চৈচাক পীরি
শেমগংলি শাগংলি যোকখংলি
নঙদি খঙদে নঙদি খঙশিন্নদে ।

হাইবং লাগী তিন্নজবা গনিবু
পুন্সী খোঙবুবোই ওইগে খল্লদি
নীবা কাযবনা পোলোই ওইগনি
নঙদি খঙদে নঙদি খঙশিন্নদে ॥

শৈশক অমা শৈহেক অমা

শৈশক অমা শৈহেক অমা
সুর অমা তাল অমা
মাস্থ শকই ঐস্থ শকই।

খোগ্নেল অমা খোম্বোক অমা
খোম্থাং অমা খোনগায় অমা
মাস্থ তায় ঐস্থ তায়।

রাহয় অমা লানফম অমা
খৌদোক অমা রাথোক অমা
মাস্থ খওড়ি এস্থ খওড়ি।

জগোয় অমা খুংথেক অমা
খুংশা অমা খোওলৈ অমা
মাস্থ য়েংড়ি ঐস্থ য়েংড়ি।

রারী অমা রাকৈ অমা
রাণ্ডাং অমা ফরক অমা
মাস্থ [illegible] ঐস্থ [illegible]

শৈরেং অমা শৈগায় অমা
রারেং অমা রাকায় অমা
মাস্থ ইরি ঐস্থ ইরি।

 ৩ । ২ । ৮৪

অমনা অনীনি অনীনা অমনি

অতিয়াগা মালেমগা
নোংপোক্কা পান্থোইবীগা
লাইনিংথৌগা লাইরেম্মগা
শিদবা মপুগা শিদবীগা
মালংগা তাইবংগা
নিংথৌবেলগা লৈমবেলগা
থব্রায়গা হুকচাংগা
হুমলোইগা হামলোইগা
থাম্বীগা লাইজগা
কোবৌগা থম্বালগা
থাজগা থরোগা
থাবলগা থাবল্লৈগা
থানিনগা থাবিকথাগা
চিংগোংলৈগা তখেল্লৈগা
খোইনীংগা গুলাবলৈগা
পোম্বীগা চেক্লাগা
খোইমুগা লৈরাংগা
শাবীগা শানৌগা
পাখংগা লৈশাবীগা
লাবগা অমোমগা
পোপা পোপা লাকলি
অমনা অনীনি অনীনা অমনি
তাইবং শেম্বনি তাইবং শেম্বীনি
তংনা থানবা য়াদবনি
তাইবং মপুগী খুংশেমনি ॥

১০ । ৪ । ৮৩

থাজনি নঙদি থানিলনি নঙদি

থাজনি নঙদি থানিলনি নঙদি
ঐগীনা থবায়নি থবায়—॥

নোংমা তমখি নঙনা
নোংমা তাখি ঐনা
থম্মোয় খোনবা তেংথারোল অমা···॥

ছায়খি ঐনা তানীংলবদি
লীয়গে ঐগীস্থ
থম্মোয় খোনবা তেংথারোল অমা -॥

হংজখিনে ঐগী থম্মোয়সিনা তত্তনা
পুন্সীসিবু লেল্লগদরা
ঝানা চাকনা লেল্লগদরা
কায়রবা থম্মোয়না
শক্কুনতা তেংথারোল শক্কুনতা—॥

থম্মোয় মশা তাখিবদা

থম্মোয়মুংগী মুংশি মৈচাক
মিংস্না থম্বালনা তেনবাইরকপদি
তেনবাই তেনকাপ চুমখিমাল্লে
থম্মোয় মশা তাখিদা।

কোরৌ নোংবু খোন
মালেম লৈদা উপনা
থরায় মিরেন মুৎলগদরা
পায়না উনগোয়নুং থনখিদা

ইনুং খোমলেন মঙলানচাগুম
লৌশিং মথোক্ত খঙদবনা
পৃক্নীং তুরৈ-ঈরৈ চনখি
রাখলগী পল্লেপকম খঙখিদে।

মুংশিগী তেম্না পান্দুনা
থম্মোয় মশা তাখিবদা
থরায়না হকচাং থাদোকখিবদা
মুজা কনানা তেংথাবিগনি।

চৎলি নাইতোম চৎখিনি নাইতোম

চৎলি নাইতোম চৎখিনি নাইতোম
অচুম্বগীতা নাইতোম
অচুম্বগীতা নাইতোম—॥

নাইতোম তাজুনতা লৈরে খভনা
অরাবা চৈথেং অমা পীরৈ
মুংঙাইতা চৈনা অমা হাপলৈ
মাদি খন্দে ঐগীদমক মাদি খন্দে—॥

অরা চৈনা চৈথেং মরক্তা
অমনা হায়রৈ অতৎপা লৈতা
ঐবু য়াওহনগনু ঐবু য়াওহনগনু
ঐদি ওয়োইকো ঐদি ওমলোই—॥

তাহনবিনু ঐভোন্দা তাহনবিনু ঐভোন্দা
পুন্সীদা কায়নবগী মনম লা ওইহন্দুনা
লাকুবা ঐনি লাকুবা ঐগাক
ঐবু য়াওহনবিনু ঐবু য়াওহনগনু—॥

কনাবুনু হোৱোই কনাসু তায়নবোই
তাইবং পুন্সী খোঙচৎতা ঐগী
চৎলি নাইতোম চৎখিনি নাইতোম
অচুম্বগীতা নাইতোম অচুম্বগীতা নাইতোম ॥

 ২৮।৮।৮৩

ঐগী থম্মোয় পাউদম

ঐগী থম্মোয় পাওদমনি
ঐগী থম্মোয় পাউদম — ॥

পু-পাং শুদে মীরায়গম্নু
চাকভোন ফিদোল্লি থনগম্নু
তাইবং লৈকোন্দা মিতম্বা
মপুগী মপারি মমোমনি ॥

মখোয়সু থম্মোয় লৈবনি
মখোয়সু থবায় পানবনি
সুংশি খঙবনি মখোযসু
রাখল লৈবনি মখোয়সু ॥

মালেম শাৎনা ঙাল্লক
তাইবং থুংনা ফাওরক
উবদা কল্লক মৈরাইনা
নীংঙমদা থাম্বী মৈহৌবা ॥

য়েংবা ঙমজরোই ঐদি
য়েংবা ঙমজরোই ঐদি ॥

৬।১।৮৪

মখোঙ শোম্বীরন্থু

ওইদবা য়ারেং থাজরুবনা
নথবায় শোক্লে নহাক
য়ৌনা নথবায় শোক্লবদি
কয়িগী শোকপীবা ঐগী খুৎথাহৈ ॥

শোক্লীংদবা হৈপালদো নখুৎনা
মখোঙ শোম্বীরন্থু অমুকহন
চাইবিরন্থু ঈশিং পামজদরে
হৈনীংদবা খুৎনা নহাক্কী ॥

থম্মোগ য়াওদনা তানোৎলন্থু
পামদনা অপাম শাবিরন্থু
নুংশিদনা নুংশি শাবিরন্থু
মখোঙ শেম্বীরন্থু ঐগী হৈপাল ॥

তংখায় শকলোংলিবী থাজ

ঙংখায় শকলোংলিবী থাজ
নোংমদোন থক্কী শকহেনবী
কোকহল্লোবা ঈখৌ লাংবসে
থম্মোয়নুংগী নুংশি ঈখৌসে ॥

ঈচিক তুল্লবা অহীংশিদা
কেনিক ঙনিক ঙাল্লিবা
থবান লাশিং পেটিনা
থম্মোয়বুস্ ঈচিক তুনাহল্লে।

নুংশি ঈখৌ লাংলিবসে
থম্মোয় ঈচিক তুল্লিবসে
কোবহনগনি শাকলোংলিবী নত্ত…।
হয়থবক্লগা নুংশি নৈহৌ ॥

তরং লাইজা ঈহৌরি

য়েন্নীং থাগী অয়ুক্তা
মালং শউম ফংবদা
ফাওরকই ঈথিলমা থম্মোয়নুংদা

কোরৌ নোংমদোন অতিয়াগী
অংঙৌবা লৈচিন মরক্তা
পাইরি ঐগী রাখলমু।

মুংশি লাইজা ঈথকলুবনা
নোংলেন ঈয়াম তাবগুম
তরং লাইজা ঈহৌরি।

 ২।৪।৮৩

পাউখুমলম্মুগবা লোইয়ুম্ব

পাউখুমলম্মুগবা লোইয়ুম্বা
কনা মশুংলাংগীনো ॥

মোম্ম মুজা ওইবীনা
তাবা চাকপ্ত চাবা হেন
লাইজা মাবু যোৎঙমদা
তাংজা মায়থোঙ মযেংতা ॥

লকা লমকেৎ লমহাইবী
পাযমা উনগোয়মুং পাথরক
মিৎলু পিরাং ঈচেম্নববু
কনা মশুংলাংগীনো ॥

থৌম্ব মুঙ্গল অকনবা
লেঙদ থৌম্ব নুংশুম
তম্বা থম্মোয় কনবরা
পাউখুমলম্মুগবা লোইয়ুম্বা ॥

শিংঙেল করি লৈরাংনো

লোইবী পামদা ওংবীলৈ
লোকমায় ঙান্না শাৎনলৈ
লোইজীং লোইয়া ঙান্নলৈ
লোইয়া তময়া হেন্নলৈ
নারক মোংশোং থন্নলৈ
লবুক লমহাং ঙান্নলৈ
চীংয়া তময়া লৈতেংলৈ
উমং খুদিং হৌনলৈ
হৈরাং নাহে কন্নলৈ
মচু অঙুম তিন্নলৈ
লৈচু অঙুম শুবলৈ
শঙুম অঙুম তাকপলৈ
তাইবং কনানা শিংথাবিদলৈ
শিংঙেল করি লৈরাংনো
লৈরাং কোলোয় হায়বিয়ু
শিংঙেল লৈশক তাকপীয়ু ॥

 ১। ২। ৭৯

ৱাখল কোঙ্গোয়

ইশানৌ নওবু নূংঙনবী
পামজ নশিন থাদোক
কয়েন থক্তা য়াতা
পোয়েন মিকপ তাল্লিবরা :

পায়মা পুক্লীং খোইশাঙনা
থম্মোয় নংগী লকাম্নুং
ৱাখল হীরী কোল্লিবা
পায়মা করিবু খল্লিবা।

বাখল বিশি পূল্লিবা
লংলা লংঙ্চন থিরিবা
থোকঙমদা কিশি ঙইবনা
পায়মা পিবুক ঙল্লববা।

নদোম থোকপা ঙল্লবোই
মরৌ নৈবা কোঙ্গোয়নি
লংঙ্চিন থিবা ফংলরোই
থম্মোয় মৈচাক মুংলরোই।

 ২৫। ১। ৯৪

শক্লসন্নু তাজসন্নু

মাঙলমচৎতা থোকখিবা থৌদোক
শানথৈরুবদা শাংনা হৌগ্র মতম
অশৈবা কয়াগী থম্মোয়না লোৎনা
ফোঙদোক্লন্না শৈরেং শৈশক কয়া
অপান্বা কোঙ্গায় মুংশিবা খিবিক
ফাওরিবরা হৌজিকসু লৈরিবরা শৈরেংদো।
হংলক্লি পুক্নীংনা থিরক্লি রাখলনা।

চেল্লিবরা ঈঙাংদো অশংবা শীংলিরা
থিবদা রারে ওইরে অরাবগী মশক
মরুদি লৈরি ওইরনগদরা অহামবা
মরুহুদৈ হৌরকপা পান্বীদো থাজত্রে
ওইরক্কনি হায়বা পান্দোং ফাবা পান্বী
য়ৌরোইদৌরে ফোঙদোকপদা অপান্না
তারোইদৌরে শক্তম পামজবা শক্তম।

পায়রিবা থোর্দ্রৈদো পংলবরা মচীন
কংগ্রবরা ঈগী তৎগ্রবরা মরী
রাখল পরীং মাংঙলবরা থোর্জদো,
থিবা তারি য়েংবা তারি খননা তারি
থোরকসন্নু শৈরেং তাইবং শেন্না শৈরেং
মীওই পুন্সীগী শৈরেং তাইবংগী শৈরোল
শক্লসন্নু তাজসন্নু তাইবং থরায়না।

মতম্না মায়থীবা পীরম্লে

পুন্সীনা য়েম্লীং থা চঙলকপদা হরাওখিবা
নহা ওইবগী ময়াই কারকপদা মুংঙাইখিবা
অহল ওইরক্লবদা পুম্নমক মাঙখি মুৎখিবা
রাখলগী হৌফম খঙখিদে পল্লেকম লৈখিদে
মুংশি নুংঙনস্থ অপাম্বস্থ তুমখুন তানখি।

ঈশৈ মুংশিরবা ঈশৈ তানীংবা ঈশৈ শুইরম্মী
খোঞ্জেলনা ফরিঙৈ শকপনা ঙমলিঙৈ
মুংশি খোঞ্জেলনা মাঙগ্রবা শকপা তোয়রক্ত্রবা
নীংশিংবতা মঙাইহৌই তাখিদে ঈশৈদো
তানীংলবস্থ ফংখিদে পামজবা ঈশৈ।

লৈকোন্দা শিঙেল লৈরাংনা লৈশাং তম্লিঙৈ
লৈহী চেল্লম্মী মুংশিরবা লৈনমগা লোয়নননা
লৈখোক লোয়ন্থনা লৈমন চল্লবদি মাঙখি লৈনমস্থ
লৈরাংনা পুন্সী লোইখিবনা লৈনমস্থ লোইখি
পুম্নমক অসে মতম্না মায়থীবা পীরম্লবনি।

 ১৮ । ৩ । ৮৪

লান্নলম থিবা

হৈরাং নাহেচন য়াতারি ফম্লেনথক
পোনশুম্বা হকচাং পোল্লাংনা
থাদোক্তুনা চৎখিদোরে থরায়দি
তিনপ্রগনি মালেম লৈদা ঙসিদি
থরায় য়াওব্রবা হকচাং পোল্লাংনা।

য়েহনবিরম্নু শমু ঐগী হকচাংদা
মুংশি নুংঙনগী ফুইনা হোনবা
থম্মোয় মাগী শোর মপী
কেমহনথিবনি মপোক ঐগী
মাবু তান্নবদা মাবু ফংনবা তান্নবদা।

তাইবং কনা লৈবিন্নু ইনাক্তা
তৌবিরম্নু নমথাক তাজনীংদরে
লৌনম রাহৈ চিনবানথোংগী
মানা শিন্থখি পিরাং পানগীনি
মীনমখিবনি মানা এগী পুন্সীবু।

চৎচরগে অপাম্বা য়াংদৌ লম্বী খন
চীক্লা ইতোমতা ইতোমতা চীক্লা
খোঙবুরোই কনামতা য়াওদনা
থিংবিরম্নু থাদোকপীরো পাংজগ্রগে
থরায়না পামজ লম্বী লাইরমলেন
ঐনা পামজ লাইরমলেন।

পুন্সী ব্লাখৈ শেল

মুংশি খাম্বী মৈনা বায় ডাওখিবা থম্মোয়
চাঁরুবা ইন্নুং কয়া চৗক্লা লেনখিবা
যেংচনা হাঙলবা মুংশি অতিয়া মালং
ঈখৌ লাংবা নুংগুন থম্মোয় মিৎয়েংনা
নোংমা নাইতোম ভরক লেপ্পনি খঙদবনা।

ঙসি ফগাইনা শাৎলি শিঙেল
মোমোন নোক্লা লৈকোল ডাল্লিবা
নোংমা লৈমন চন কেনখিনি তোফা চোই
মলোম লেপহৌনি লৈকোলনা লৈপাল
খনাহৌদবনা তাইনং পুন্সী খোঙহৌদা।

মুংশি মোমোন যায়থোঙ নোংপা নি
লোংখিনি পাইবিবা নোংহৌ লেচিলক্লা
তিনখিনি লাইজলক্লা ঈরীক ওই
তাখিনি মালোম লৈদা লৈকুপ ওই
সেংবা তারি খাঙবা তাবি ডাইবা তার
রাখৈ শেঙাল অরাবা পুন্সী ব্লাখৈশেল।

কনাই খুংশেম্নো

তাইবংগী লোইনাদ্রবা পোৎশক কয়া
মহৌশাগী থাঙমদ্রবা ফজবা কোঙ্গায়
পূক্নীং ঈস্নোলম্নুংদগী চেন্থরকপা ঈচেলদ।
তাউরদুনা চেল্লিবা য়াঙনা য়াঙনা
শুক্না মম্নবা থাশিগী অহীং ওইরম্বা
ম্নিংকুপ্পা মৈরীক মৈঙালঙাক্পা উরকপা
অমুকস্তু পূক্নীং লৈচিন নোংফাই থাংলকপা
নুংশুক মুংজানবি ঈথিল অমা লাকপা
মিংকুপ তামদনা মঙাল লংলবা মঙাল
পূক্নীংগী বাখলনা পুম্নমকসে করম্না পুরকপা।।

শংবাম্নবা তাম্নবা লৌবুক হাঙলবা লমহাঙ
নাইতোম লেপ্লিবা লেম্নবা লোইবী চীংগ্রাক
ওম্নবা লোইনী চীংগী চীংখোঙদা শাম্নিবা
ঈশিং চাইবীগী পেরেনা চোং চোংদুনা
মালংনা কয়াদা হনাগুনা হুমলি শিংৎলিবা
পামেলনা কয়াদা পেন্না হকচিক লাংলিবা
লোইবা থম্বা নাইদ্রবা মহৌশাগী খোঙচৎনা
যন্ত্রবা কয়াসে লাকলি তাউথরক্লি বাখলদা।
পূক্নীং ঈস্নোলম্নুংগী বাখল ঈচেলদা।
মসিনু কনাই খুংশেম্নো হংলকলি পাখলন

থিংডেন লাঙ্জা ঈরাওখোল

পুক্নীংনা ৱাখলদা শাদোং ওইবদা
পুবক্পা ঙমদবা করিদি লৈবি তাইবংদা
তনিক তনিক থোক্লিবা অতিয়াই থৱানমিচাক
মাংলমদা লৈবিবা চাংজো নাইত্র লাইত্তা ঈপাক
মালংগী য়াডল খোঙজেল লৈচিনগী খোঙচং
তারমদাই কোয়ৌহনবৈ ঙাংত্রানবা মচু
য়াত্রা থানিল নোংগী ঈংলবা থাবল
য়েন্নীং থাগী পানেল উপাংদা তোংলহুনা
পোম্বীনা চেক্লানা শক্লিনা লুংশি শৈবোল
নসিবু কনাই থুংশেম্লো হংলকলি ৱাখলগা।

পোংশক্রুবু করিনো

য়া-য়া নিল্লি ব্রা·ব্রা লাউনরকই
য়েংথোকলুই মীনা পূমমু মু
পূমথল থল পূমঙৌ ঙৌ ॥
লম্বী শোরোক পাই পাথোকই
লমপাক থল্লি ক্রিক ক্রিক
করিনো করিনো য়েংনৈ মীয়ায়
খুনীং কাংথং লেংবান পায়না ।
থিনৈ য়েংনৈ ইন্নে ফংনদে
কনানস্থু উদে উবা ফংনদে
য়েংনব্রি পোংশক্রুবু করিনো ?

ব্রা ব্রা কায়নরকই অমুক
অমগা অনগা চৈন্ন তান্নৈ
খুরুপ থৌ য়াঙনা চেল্লি
তান্নৈ মুংশিংকি মনাঙ থা
পায়রমাল্লে নীংভি পায়রমদে
ফংলমাল্লে খল্লি ফংলমদে
ওইরমাল্লে নীংলুই ওইরমদে ।

পায়নত্রি পোংশক্রুবু করিনো
ওইরমত্রি পোংশক্রুবু করিনো
তান্নরি পোশক্রুবু করিনো
শয়েং থৈনৈ পান্নোম ঙান্নৈ

থিডেল লঙ্গজা ঈরাওখোল

ফুনৈ চৈনৈ হাৎনৈ শুনৈ
ঈবাক্লে ঈফুনৈ ইমু-নাইমু তানৈ
থাঙনা তানা নোংমৈনা শুলিনা
অফং অযংবা খুৎলায় পায়নৈ।
মুমৈ অমগা অমগা কাওবু কাওবু
মবোমদোম ওইনন্থ কাঙলুপ ওইনঙ
মুমরি পোৎশক্কুবু করিনো?
ফংনরি পোৎশক্কুবু করিনো?

পামেল উপালসু নত্তবা

পামেল উপালসু নত্তবা
শিঙেল লৈরাংসু নত্তবা
পান্বী কৌসি কৌঙমদবা
উরী হায়সি হায়ঙমদবা
　　করম্বা পান্বী মখোল্লনো ।

অহানবা উনবদা মহাক পীল্লম্মী
পাল্লম্মী মনা অনী মরিংমক
লৈরম্মী উশা কাবোং অমদা
নপ [illegible] পীশক্ক পীক্রা [illegible]
　　পামেলতুগী মউগা মাঙদে [illegible] ।

[illegible] শিকই মাবু ত্রেনা
চা[illegible]রম্মী নাইজা ঈশিং খবা
মথবায [illegible]চাদো হিংজমসু খন
মা[illegible] লৈহৌই হৱা[illegible]না নোঙ্গুনা
　　হায়[illegible]বগুন খল্লি [illegible] ।

নী[illegible] [illegible]কথি [illegible] কোরৌ অমদা
[illegible]নজা [illegible]য়া হৌখ্রবগী ম[illegible] [illegible]ইখ্রবা
ত্রৈনা পা[illegible] মচাদো [illegible] খন
খোঙ্গোইকট পামেলতুগী মনাক্তা
　　[illegible] পীল্লমদরে [illegible]সিদি [illegible]

থিংঙেল লাঈজা ঈরাঙখোল

ঙরূা য়েংঙি শংত্রিক য়েংঙি
মশা চাউরম্লে মরেং ফল্লম্লে
মানা নপহৌবা পামেলদো লৈরমদরে
মাতমক ঙাইরম্লে মাতমক লৈরমে
চূপথোকখ্রমাল্লে চাথোকখ্রমাল্লে অনদো।

খোঙ্গুল গৎখবে মশক উখিদবে
য়ুমদাংবনা কৈগাখবে অঙকপনিকো
মালেম তাইবংপানবগী মীরক্তুস্র
অসিগুম্বা অসে লৈরমগেকো লৈবয়ে
ঐ নীংহৈবা চোকশিল্লুকো চোকশিল্লু।

মাঙখ্রবা মঙালতুগী তেংথাখিগদরা

লৈচিন নোংফাই থাংগ্রবা
ইন্নুং নোংদোন থরান লক্কা
ইন্নুং লাইবেম্বীনা খোঙরাইগুম
চিংথৈ ফিচ্ছপ হুল্লমদাই
ইন্নুং নোঙাল তয়নদাই
থম্বাল মানবী নুরাগী মিৎস্নাদৈ
মঙাল অমা লংলবা খোঙরাইরকখি
ঐগী থম্মোয় লকাতম।
মচুনা হোংনা হোংনা লৈতেংবা
মায়থোঙদো কয়া পূর্ক্লীং হুবা
ফজ মায়থোঙ থাজ মানবী
নুগ্র মিৎস্না শুমহৎয়াই পুবী
ঙাঙ্রানবা তোংতকপা থজাই
তয়াল মানবী তঙাংবী চিনবান
ঙাঙথোরকপা য়াহৈনা মেঙলিবা
মিৎয়েংনা ময়ৌ লৈরিবা
মিৎয়েংদো থম্মোয় লকা য়ৌখিকো
পূর্ক্লীং মরা তানা ঈংখিদা
থম্মোয়গী ক্লুংশি মঙাল ওইবনরা
ঐ থঙদেকো কনাসু থঙদেকো।
নোংদম থীবা মপোক ওইখিবনা
কুমজা অমফাও ওনখিদেদা

খিংঙেল লাইজা ঈরাংখোল

[illegible]দু চংখিবা শুমহৎয়াইদো
পম্মোয় শুমখিবা শুমহৎয়াইদো।
[illegible]দু মঙখিবা মঙালদো
পুস্মায়দা ঙাল্লবা মঙালদো
ঈ[illegible]দরে মঙাল ঙানখিদরে মঙাল
মুংখানে মঙাল নমথরে মঙাল
[illegible] মঙালহুগী চেংপা শগদরা।

মণ্ডলা তাইবংলা ডাওনরেকো

ঐনা হংতি ঐনা হয়েং শিরগা
নঙনা তেংথাবিগদরা ঐ থাজদে।
মহাক খুমদে ঐনা মথা তাই
য়েংঙো মুন্না নঙনা থুগায়রম্বা
এগী থম্মোয়গী অকায়বা মচেৎসে
মচেৎ অমা লৈহৌরিবসে মসিদা
নঙবু ঐনা চেৎনা পুন্দুনা থন্নবনে।
নঙনা থদৎতুনা চেনখিগে হায়বদি
ঐ খঙদেকো ঐ সূপখঙ খঙদে
ঐ খাম্মোইকো খামজবম্বু ঙম্লোই।
রাফমসি তারগা মহাক্না হুংশিনা
থম্মোয়হুংগী হুংশি মিৎয়েং অমনা
য়াম্না হুংশিনা য়েংঙকই মহাক্না।
থৌগ্রবা তেনজিনগুম শান্দানবগী
লেংখি ঐগী থম্মোয় ফাওনা।
এগী রাহংগী পাউখুম ওইরিদরাঙ?
কাপশিল্লকখিবা তেনহবো মানা
কনানা শৎপিনি তেন অসে
ঐ শিরোইদরাও ঐ শিরম্লোইদরাঙ?
শাথিনা পাল্লিবা তেনসে থম্মোয়দা
ঐ থরায় মাঙলম্নবদি কমদৌবা
ঐনা হংতি মানা খুমদে

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

ঐগী ৱাহংছু তারগা মহাক্কা
অমুক্কস্থু মুম্মা য়েংঙকই ঐঙোন্দা
হনদক্তি অচম্বা মিৎয়েং নত্রে
থম্মোয় লকান্নুংদৈ পাথরক্তুনা
শিন্থরকপা তরংগী লাইজানা
কল্লপচরিবা মাগী খজাইদো
পুমচোৎ হেক চোৎলেদো
ইস ! করিনো ঙক্লা ফজখরে
মায়খোঙহুনা থাজবু হেক ঙমজরে
চিনবান মচাহুনা তয়ালবু ঙমজরে
মহু উরুবদা ঐ খঙহৌদে
ঐঙোন্দস্থু করিমতা তাকপীরমদে
ঐগী মিৎতগী পি মতুম
অনী মরি তাথোকখ্রেদো
মা উত্রিদৈঙে ইকায়হুনা তৈথোক্লবা
হোৎনৈয়ে মা উখিবরা উখিদবরা
ঐ খঙহৌদরে য়েংলুদবনা মঙোন্দা।
ঐ মনলে ঐ ৱাখল ঙাওরে
ঐ লেপ্পা ঙমদরে ঐ তুদোরে
খোঙ ফুক্কুনা থাঙ্গে হোৎনৈ ঙমদরে
মঙগী লমজেলগা চপ মান্নখরে
লৈজবা পাঙ্গল পুথোকই ঙমদরে
মঙস্থু নত্তনা ঙমত্রিহুবু করিননো ?
কনানা হংলিবা করি ৱাহংনো
কনানা খুমলিবা করি পাউখুম্নো
ঐনরা মানরা মীনরা অমহুনরা
মঙলা তাইবংলা ঙাওনরেকো মীসে ॥

(৫৪) ১২ : ৮৪

পাইজখরো পোম্বী

হাঙলা নোংমদোন অতিয়া মালংদা
ননীং তম্না পাইজরম্বী মুংশি পোম্বী
মুংশিরুবা থম্মোয়না ফরুবনি নঙবু
পুম্নমক ওইরম্নে ঐতগী ঈরাল
কুমজা কয়া চুপ্পা থমলুবনি নঙবু
ঐগী থম্মোয় পোনগী অক্লাদা
মুংশি য়োৎহ্লিলং থাংদুনা নখোঙদা
য়োকচরকপনি ঙমজবা নচিঙ্গাক হুন্দুনা
থম্মোয়না পানজরুবা পোম্বী নঙবু
ঙসিতা থঙলি নঙগী অশেংবা শক্তম
ইতৌক ওইদ্রে নঙবু ঐনা য়োকচবা
শাগন ভুফাং তোয়না থপ নঙনা
নপিজ্জা নাজ্ঞা পাইনাং চোংবদো
নখোঙদি য়োৎহ্লিলংনা পুন পাইঙমদা
য়েংবা ঙমদবে নঙগী অবাবসে
পায়না খৈনা লেপলে ঙসিদি
পোম্বী নঙবু থাদোক্লগে থল্লে
কায়নবা য়াদবা নপিজ্জা লৈ
থাদোক্লবা য়াদবা নপাং লৈ
থঙলুদবনা পুল্লুবনি নঙবু ঐনা
থদংলবনি ঙসিদি পুল্লম্বা য়োৎহ্লিলংসে
থম্মোয় মুংগী মুংশি য়োৎহ্লিলংসে।

থিংঙেল লাইজা ঈরাংখোল

থাদোক্লবনি পাইজখবো ননীং তম্না
খুংশিজবা চেক্লাদ্ধগা পোপা ওইদুনা।
কাইদোং শেমলুরো পামজবা পামেলদা
চাক্তামিন্নরুরো ননীং থুংনা পেম্না
খোইদাঙ্ক্বা চান্ন নপাং অত্তুগা।
উমং খুদিং থুংনা পাইক্লরো
বল্লল য়েংথী লৈতবা উমংদা
অফা অপুন লৈতবা মফমদা
চিল্লোক চিনদিন্না লৈমিন্নরুবো চাক্তানিন্ন
থাদোংপীরম্লো পেলহনখিব্রবা ঐগী
থম্মোয় পোনগী মুংশি অক্লা
লৈজহৌরসন্নু হাঙনা নীংবা কাযনা।
নোংদম থীবা ঐহাক্তি লেনজহৈরগে
মপোক অসিমা অম্নম চাক্লা
অহাঙবা থম্মোয় অক্লা য়েংতনা।
হুংবা য়াদ্রবা ৱারেপনি ঐগীদি
হনজিনবা য়াদ্রবা ৱাশকনি ঐগীদি
তাইবং মপোক লাঙোল অমদা
থেংনবা থোক্লবস্থ করিগুম্বা মতমদা
থওগী নকাদতদি য়েংলম্নরোই ঐনা।
খারোগন্নকো থম্মোয়গী মুংশি পোথ্বী
মচেং তাগ্রবা থম্মোয়দা ঐহাক্তী
লহৌবা তারেদো খুংফম অমদি
মুংনাইদ্রবা সনাগী ময়েক্লা ইত্তুনা

থিংঙেল লইজা ঈরাওখোল

ময়েক অহুতা য়েংজরগা পেনজরগে
মহুতবু য়েংল য়েংলগা লেনজরগে
লেমহৌরিবা ঐগী পুন্সী অসে।
পোস্থী পোস্থী হুংশি পোস্থী
নঙবু শাগল তুকাং থপলোনে
পাইখরোনে পোস্থী পাইজখরোনে
করিগীনো মিংলু পিরেন ঈচেম্রিবা
রারোরিবরা মীপুংশি থঙদে হায়না
থম্মোয় পোন্দা নঙবু ঐনা পুল্লম্নগী।
রারোরগনু পুন্সী লম্মখাংগী চান্নবী
কায়ফদবা মপু মাগী নোংদমখোম্না
নক্লবনি মতম অমা নঙগা ঐগা'
পাইখরোনে পোস্থী নপাং লৈরে
উদবরা ননাক্তা লেপতুনা লৈরিসে
মানা খোরাংনা নঙবু ডাইরিসে
তংনা থানা লৈতনা পানমিন্নক্লরো
ননাং নখা তম্না পাইমিন্নরুরো
মপোক অসিমগী পল্লোই খল্লম্না
পন্নীংশিদ্র রাহৈ পনবা তারবোই
থম্মোয় কায়বা রাহৈ 'বিদায়'
পীনীংদা পীনীংদা পীরবনি বিদায়
ঐঙোন্দা নঙন্স পীরম্লো বিদায়
পুন্সী অসিগী অরোইবা বিদায়
মপোক মপোক খুদিংগী বিদায়
কায়নবনা ওইরেদো নঙ ঐগী পোলোই।

থিংঙেল লাইজা ঈবাওখোল

ঐগী মাহৈ খিবিকসে তাবগা
মিংস্না থগালদি তরং ঈম্নাহৌ
মিংলুদি লাইজনা ঈথল থল
পাইত্রে পোম্বীসে পাইথু যাদবে।
যে থোকলুবদা লেংনদবে মপা দো
কদোম মাযকৈ পা.খবা খ হৌত্রে
শোযদনা শহনমগান নাোকখিবা মনা
মপাংহুনা নীংবা কদ ম ক হনমগন।।
পাইদে পোশী ঐগী ক্লু শ পোশী
মখোং মচা হলৌবী অনী অহুনা
কাহদা বাহৈ। েম্মা েং। থাং
এগী পাম্বোম খোঙনেংনা ভগা
হনজিললে পোম্ব তে নাবে না বান্দা
খেংলাবে নাকোংদা শরে শৈরোন
াইবং মচাক্কা ং শ শ.ান
ঐত্রাক তায এ তনক নবা সংহল্ল
নাকেংদা কৈশিন নৈশিন শ ক্ল
তোংনহনা বেবাদ লোযহুনা পোশী
মখোী পোঙনা হম্না হম্না শন না।
কৈশক্রু তাবগা শেনোন্থু তাবগা।
নোং.দোন লাইবৈথাক নংগে
লোশ্নুনগে মপু মাগী খুযাথা
খনখিরে পাযমনুং লেপাখযে থম্মোযনু ।
পাইশংলে নেংমদোন অতিযাতম
মাগা ঐগা কনা মকাদা চাক্লমদা
খিনবমগানে মালেমদা ঐখোয অনীবু
থিনভসনু যংলপোইদন ঐখোয় অনীবু ॥

নুংশিগী লমদম

ঐনা মাবু খল্লি নুংশিনা
মহাক্কুদি কনাবু খল্লমনি
মা হৌজিক করি তৌরমনি
ঐগী মঙ য়াম নুংঙাইতেবো
মানা ঐবু শোয়দনা চৈরননি।
ঐ নুংশা মপী হোল্লি
মাবু ফংবদি য়াইনা ফংগনিদা
কনানসু থুগাইবা ঙম্লোইয়ে।
মানা চংখিবদো ঐ উহৌই
মায়থোঙদি ফজৈবো শুমহৎনীংঙাইনি
য়াঙাং য়াতাসু য়াম নুংশিনে
খোঙ্গেলদো তাবদা পম্মোয় নুংশলে
লাল্লবসু মাবু ঙাকপীদবা ঙম্মোইয়ে
ঐনা য়েংলু খুদিং মহাক্কি
নুংশি মায়থোঙদো লৈদা লুপএ
তশেংবদি মাই মরাল লৈতবনে।
লৈনমদি নুংশিখ্রে গুলাবলৈ অঙাংব
লৈরাং লৈশাং মপুং ফারবরনে?
লৈরাংগী লৈনাদো থোংনা নৌইকে
লৈরাং লৈরিক্কি খোইহী চেল্লিনা
হেক উবদা মাবু হেকনীংঙে।
খুৎনা শোকলুরবদি কেনখিগদরাও
কিজৈবো ঐগী খুৎনদি শোকচররোই।

থিংডেল লাইজা ঈরাওখোল

লৈনমদি রা ফাওরেনে নাতোন্দা
লৈনম্না থম্মোয় মরাঙ হৌহল্লেদনা।
মাইসিবু লমন খুমগে হায়রিবাও
কনানা করিগী লমন কনাদা
খওদে ওইরমনি শোয়দনা ওইরমনি
মুংশি লমন মুংশিগী লমন
খুমদৌরিবা মহাক্না নঙোন্দা।
শান্নরমগনিয়ে উদবা খুৎতুনা
শেম্নমগনিয়ে লৈগী নাচোম ফজবী
মুকুম মুকুম শোম্নখিবদো অনীনা
জুক জক তৌনখিবদো নারোন্দা
ঐস্ন তাহৌইনে সুরদো নাশোন্দা।
করিগী নাচোম কনানা শেম্মীবা
কনাই নাচোম কনানা চিন্নবা
মুংশিগী নাচোম মানা চিন্নবা।
চিল্লু হায়বা মাবু য়াগদরাও
নাচোম লৈ নাচোম চিনফমদো
মাই চাইকুং ভাবদো ইস
মাই থজাই ঈথক হৌরকপদো
ফজেবো ফজে কাউবা য়াদেহে।
কল্লকখরেদা থাঙবা য়াম বাইকো।
নত্তে চিনবান্দা খোইঙী তৈরগা
পূকন্নুংদা হু ফুম্বিজাংলাও হা ?
হে কদাইদগীনোদা অত্থক ফজগ্রবা
মুংশিগ্রবা তঙাংবী চিনবান মচাত্থদবো

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

তথোংপী চিনবান মচা অপিখক্তুদবো
হু ওইরম্নোইদা খোইহী ওইরমনি।

হাঙলবা লমহাংদা ফজরবা
লৈকোল অমদা গুলাবলৈগী
পামেল অমগী উশা অমদা
তোংলহুনা মহাক ঈশৈ শক্লি
মুংশিগ্রবা ঈশৈ অমা মুংশিগ্রবা
থম্মোয় মরাঙ হৌহনবা ঈশৈ
মদো পুন্সীগী মুংঙাইরবা মুমিং
য়েম্নীং থাগীনে অয়ুক অমদনে
অয়ুক অমদা অয়ুক অমদা
তাখিদরে ঈশৈদো লেপখরে ঈশৈদো
কৈদৌরনো খঙদে শকখিদরে ঈশৈদো।
মানা ঐবু শাগুরমাল্লে
মানা ঐবু ৱারৌরমাল্লে।
মুংশিখরেদা ঈশৈদো ফজখরেদা ঈশৈদো।
খোঙ্গেলদো ঈংনা খোয়থুমনৈকো
খোইনীং খোঙ্গেলবু ঙমজেনে
নাকোংদা নৈশিন্দুনা লৈরেনে
খোঙ্গেলদো চাকথেকইদা থম্মোয়সে
কাথেকলেনে তাঙ্গোয় ওল্লেদনা।
ভাঙ্রানবা কোরৌহনবা মুনিংনা
তরং তরং নোংপোক চাংখৈদা
হুন্দোরকপা মতমদো অহুদনে মানবে

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

লিক্লানা চোৎলবা তিঙ্গোই থক্তা
ফজবী তনৌবী মখোঙ মচা অনীস্তনা
তেনবাগুম চৎলিনে তেনবাগুম
কাইদা কাইদা থাংহ্না মখোঙদো।
কব্রি লম য়োদৌরিনো মাখো
য়োদৌরিবা হুংশিগী লমদম।

পেলহনখিদ্রবা থৱায়

মুংশিনা ঐগী মায়থোঙদা য়েংলগ
হায়খি মানা তপ্না য়াম্না তপ্না য়াম্না চক্লা
অমুক্তা পনখিদ্রিবা অমুক্তা কৌখিদ্রিবা
মুংশিরবা য়াৱা অমগা লোয়নননা।
ঐদি নহা ওইরিঙৈ শিজনীংঙি
মীনা শোন্নরিঙৈ মীনা মুংশিবিরিঙৈ।
ঐনা তপ্না খুমখি হায়হৈদেদা।
নোংমা লাকখি পাউ অমা লাকখি
শকহেনবী নুরা থম্বাল মানবীদো
হৈরাং নাহে চল্লে অনা লোয়রে
মতম হেনখরে কনবা ঙম্লরোই
মশক উনীংলবদি মাবু উনহৌররো।
লমদম্নদি তাম্নখিবনা লমদাংনদি শাংবনা
উনবা ফ হৌদরে মুংশি পাউমেন্নহৌরে
পুন্সীগী অরোইবা য়াহিপ তান্দিঙৈ।
হল্লকখি ঐ লম্বী লম্মখাংদগী হল্লকখি
নীংশিং নীংশিং হৌগ্রবা মতমগী
কাউবা য়াত্রবা ৱাফম অমবু নীংশিং
মীচঙ মীথায় নাইবা তাইবংসিদা
ঐ হিংজনীংদরে ঐ শিজগ্রগে
ঐতা শিজখরগে ঐ হিংজনীংদরে
তোয়না তোয়না শোল্লম্বা মহাক্না
চাকখরেদা কাউঙমখিদ্রেদা ৱাহৈশিংদো।

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

ফরে থাদোক্কুনা ঐবু মা চৎখ্রে চৎখ্রসং
ঐগী থম্মোয় নুংগুম কল্লে হৌজিক্তি
কৈদৌক্কনি মহাক লৈত্রবা তাইবংসিদা।
পামদি পাম্মুখ্রেদা ওন্থোক্লা পাম্মুইদা
মপুং ফারকপগী কল্লকনীংঙাই ওইবা
ইনথৎলকপগী থম থেংনা ফজরকপা
শিংঙেল লৈরাংনা মপুং ফারকপা মতম
মুজা মানা তাইবং থাদোকখিবসে
কনানসু মাবু কলহৌবা ঙমখিদ্রবা
পলেম পন্থৌনসু খাম্বা ঙমহৌদ্রবা।

ঐ হংলরোই মাগী পুন্সী য়াতাফম
পোইরৈ কৈদা লৈরিবা থিররোই
ঐ থিররোই ঐ হংলরোই ঐ থিররোই
য়াতাফমদো মাঙদা লৈরসু য়েংলরোই
নীংশিং শঙলেন অমতসু শাবরোই
ইমুং মুমিদাংগী অমম্বা কোক্লবা
পাউমৈ মৈরা অমতসু থানখ্ররোই।

হৌজরসম মনীং মথা তম্মা লমলক্কী
পামজদম্বা পামেল হৈরাং লৈরাং
মচু পূম্মক য়েংখ্ররোই ঐহাক।

ঐনদি মাবু য়োনা মুংশিজবনিকো
মানদি ঐবু মুংশিরমগদ্রা। ঐ শঙদে
শঙসু শঙনীংলুদরে থঙবসু ঙমরোই
মানা ঐবুদি মুংশিরমদবসু য়াই।

থিংঙেল লাইঙ্গা ঈরাওথোল

মতু ওইতুনসু মাবু ঐনা মুংশিবদি
শীংনবা নত্রগা তাম্নবা নত্রগা
ওলহনবা নত্রগা মুনখিবা ঙমলোই
মাঙসু মাঙখিরোই ময়েংসু তারোই
মতম পুম্নমক্তা লেঙদনা লৈরগদবনি।

হৌজিক্তি ইরোমদোম তাহোরেদনা
অন্নাবা পুম্নমক ঐঙগী ওইজহৌরে
তাইবংদা হিংলিঙৈ মতমদা মহাক
নোংলৈ মুংশিংকি শাফু ফংখিদে
মুমিংকি মৈচাক্তা মহাক চাকখিদে।

মহাক খোমলেন তুমখুন তাল্লেদো
তাইবং চেংজেল লোইরম্লুনা ঙসিদি
মাগী মুংঙাইরবা মুমিং অসিদা
ঐগীদি শুহরেদো তেংথাবা হুমিং।

ঙাইখিবা তারি ঐদি ঙাইখিবা তারি
কুনঙো কয়া শাবুম কয়া কোরৌ কয়া
নাকেন খা কয়া লাকপা চংখিনা
য়েম্নীংথা কয়ানা খোঙরাইরকপা
ঙাইখিবা তারি ঐদি ঙাইখিবা তারি

য়েংহনা ঐগী পুন্সী চায়থরকপা
পামেল্ল উপালনা মক কোকলকপা
হৈরাং লৈরাং খিবিক্ক থমখিবা
ঙাইখিবা তারি ঐদি ঙাইখিবা তারি
উনাসু অমমমতা ওইনা কেনখিনি

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

হৈরাংস্থ নোংমদা লোইনা কেনঙমলোই
নহা ওইবম্বদগী অহল ওইরকপা
ফজবম্বদগী তাথরকপা ঙাইথিবা তারি
হংলকখি থম্মোয়নদি তত্তুনা হংলকখি
মপোক অমদা থেংনরখিদরা কবিগুম্বা
মাগী ফজবী চিনবান্দো চৃপচনবা
মাগী মুংশি লাইজদো থকচনবা
পোক্লকখিগদরা ঙাইবংদা অমুকহন
ঙাইথিবা তারি ঐদি ঙাইথিবা তারি।

গুমিদাং ওইরক্লদি অযুক য়োৌরক্লনি
অনৌবা মপোক অমা লাক্লনি
কনানস্থ খাম্বা ঙমলোই য়াগুনসে।

হৌখিবা মপোক্তি মাগী লৈচিন থাংখিবে
থবানচিক্লা লংনা ঙানখি অতিয়াদা
হন্দক্কী মপোক্তস্থ থবান অচঙবনি মাগীদি
হয়েংমুক্কী মপোক্তস্থ ঙানখিগনি মাগীদি
ঐগী মপোক্লা থাশিগী মন্নবা অহাং
ঙাইথিবা তারি ঐদি ঙাইথিবা তারি॥

নুজা থম্মোয়দা পানখিবা পুংখোলদো

ইনুং মতমনি তাংলৌ লৈনা থেঙলে
মমোম লাংলেন মদোম শাৎচবী
শিংঙেল থম্বাল মানবী লৈরাংনি
পলেম মমা ইবেম্মা লাইবক চাউবীনা
মথৱায়মকনি থম্না য়োকচবী মমোমনি।

হৈরাং নাহে চল্লবা মমোম্না ঙহাক পোৎথ
খোমলেন মিকপ তানখিবদা মঙাইরি
মতমসিদা মমোমগী মোল্লাং তংখায়য়
অহীং নোংলেন কয়া মিৎসেন থাং
খুদাং পিবুম চোৎনা তেংথা নাওই
ৱাবনা পন্দোল লোম্লবী পলেমদো
উরোন তৌরুরে ঙাইহাক মিকুপ
পলেমগী শমু নাকোংদা তাখি নাশোন্নন।
মাঙলমচৎতা য়ুমলেপ চার তম্লকপা মত
য়াইফ কোরৌ নোংলেন মুমিং অতৃদা
তাখিবা পেরে থিংগামগী মুংশির খোঙেল
পাক চাউর পুংজাওগী হৌর মখোল
মুজা থম্মোয় মরাঙ হৌহনখিবা পুংখোল
তারি ঙসিমু থম্মোয়দা পানখিবা পুংখোল
খোইনৌ মতারোই ময়াম্না পাউমেন্নখিবা
খোইনৌ নঙবু চান্নবী ইতা নঙবু মুংশিবী
শকহেনবী নোংদম লাইবক ফবী ইবেম্মা
পাম্মু মকা পাংদোরেদো ইতারোই নঙদি

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

খোইনৌ নতারোই ময়াম্বু থাদোকলম
পলেম পম্থৌ মকাই কাবু হুন্দোকলম
লানখিবা কোঙ্গাই ভাক্লসি বারৌ পূক্লৌনম্বুসি
অম্মমা খোইনৌ মতারোইশিংগা পাউমেন্নখি।

মিকপ খঙথোক থোক্লকই পলেমদো
পোদোনগী মুসি মুসিবা মৈঙান্দা
মমোম লংলেন মচাই মায়থোঙ উবকই
মমোমগী শমু হকচাংদো ঈশৌ লাংবনা
হুমাংগী ঈরীক মায়থোঙদা কারম্মী
তৌগৎলি পলেমদো ফম্মী মমোমনাক্তা
হুমাংগী ঈরীক নপথোকপী তপা তপা।

রাংলেন মিকুপ খবগীদি মমাঙদা
মঙলান্দা উখিবদো উবকই মথং মথং
মমোম লাংলেনগী হুমাং তৈথোক তৈথোক্লা
নাগী লুহোংবদো য়ান্ন চাউনা হোঙখি
নাঙদম্ম পোকখিদ্রি তুংলমচৎতম্ম থোক্লরোই
ঙাউনখি শোন্নখি কৈরোইনা লৈকাইনা।

অতুগা ওসিনা কবি মতৌনো ওইরিবা
বাগী কাংথোল চক্লগী মোম্পাক
চানা লাগুম পারবা মমোম লাংলেনগী
শমু হকচাং তনৌবী পোমক্রি য়াওন্না
য়াতারি মদোম শাংচবী লৈরাং থম্বাল
চিংনা চিংনা য়েংজে পোদোন মৈঙান্দা
লৈচিন্না হাইদোকখিবদা লৈরম্বা থাজগুম

থিংঙেল লাইঙ্গা ঈরাওখোল

ফদিনা য়োম্বা সনা অহীংবগুম
উজৈদো মমোম্বু পলেম অপোকপীনা।
কোরৌ অমদনা বাজাই বেঙ্গুন খোং
হরাও তয়াম নোক্পা খেনা চরৈ ফিডেং
ফিদাম্না লিকতাম্না কেজ নৌজ চংচবা
ঙসি কোরৌদনা কয়াদা তোম্না লৈহল্লিবা
পন্থৌ চেংলৌ উজহৌদ্রবী মদোম পোকচবী
মমোম লাংলেনবু লাইকম্নবা ঙমদবা।
মসিবু কল্লম্বা নোংদম্বগী নোংদমখোম্নো
অমুক্তা থুম্বীরম্মুগবা লাইনিংথৌ ইবুংঙো
খোইয়ুম লাইদা পুনেমজৈ পলেম্না।
মরক অসিদা শমু নাকোংদা নিল্লকই
বাজাই বেঙ্গুন খোংবগী মখোল
মীয়াম্না হরাওবগী লাওবগী মখোল
মুজা থম্মোয়দা পানখিবা পুংখোল॥

 ১২।৫।৮৪

ঐগী তপ্লবা ঈচেলদা

লৈশাঃ — ঐগী তপ্লবা ঈচেলদা
চীং লেম্না তাউথবিবা নঙবু কনানো?

পাখং — ঐগী অকনবা নোংলৈ মুংশিংতা
নোংমদোন লৈচিনগুম পাইরিবা
নঙবু কনানো?

লৈ — ঐগী পুন্সী ঈচেলদি
হৌযম লোইযম অমতনি
হনজিন্দুনা লুপ্পা তারি।

পাঃ — ঐগানা নোংলৈ মুংশিং অকনবনি
মুংশিংকি মমাঙথা পাইবা তারি
ঐগী য়াঙলবা পুন্সী খোঙজেল
পামজৈ হায়খি নঙনা।

লৈঃ — ঐগী তপ্লবা থম্মোয়গী সুর
মুংশি হায়খি নঙনা।

অপুনবা - চানত্রবা নঙ ঐগী থম্মোয়গী সুর
চানদনা অসুম লেল্লগদরা পুন্সীসিমা
হংলকখি পুক্নীংনা হংলকখি পুক্নীংনা॥

(৫৯)　　২৯ । ৭ । ৮৪

লাংলেন থাদোই

পাখং — হো থাদোই থাদোই থাদোই
থাদোই নুঙবু মুংশিবী
পোইরৈ কৈদা লৈরাং লৈশাং ওমগে
পায়মা মুংদা খনবনো
নশাবী ঐঙোন্দা তম্মুদা ॥

লৈশাঃ — শাবী ইবুংঙো নুংশিবা
থ লেন ইমান মচা-ম্নু পাম্মুবা
পায়মা খোয়জংনা চেল্লাং খোয়দানা
খনজখিগে লোইযুম্বা ॥

পা। — থাদোই হো থাদোই
থাদোই নঙবু শাংচক্রো
সনা কৈথেলদা পামজবা
মমি শঙলেন অমা খল্লগা ॥

লেঃ — শাংচনীংদে থংলেনও
সনা কৈথেলদা শাংচরোই
মীনিল কনমল্লি মৈশা লাংগনি
মৈশা লাংনীংদে ॥

পাঃ — পোইরৈ কৈদা লৈবা শঙলেন্দা
ইশানৌ নঙনা খোয়দাবা
কোলোই য়াবা শেংঙুনে ।

থিংঙেল লইজা ঈরাওখোল

লৈঃ — মবম্না লমলেন্দি লমন্নুংশি
পোইরৈনা লমদমদি লমন্নুংশি
লমফেলনা পাংকি পাংয়াইদা
লমফেলনা নারা কোম্বীরৈ
নশানৌ ঐগী খোইনৌ ইতাবোই
য়াংদৌ চান্নবোই কোম্বীবৈ
শিঙেল নাক্তা শাংচক্নগে
লৈরাং লৈশাং তমজকগে
খনজবেদো পায়মন্নুং ।
পাখংনা লৈশা কয়াগী
নুংঙন থম্মোয় কায়না
নুংশি পাউমেন্নবা
যাওজকগে ননাশস্তু
শাংচক্নগে ইনীং তম্না
লমফেলনা পাংকী পাংয়াইদা
হো হো হো ॥

পাঃ - মালং ফৌরোই তুংইন্না
চীক্না ঈংনা শাংচরো ॥

লৈঃ -- থাদোইগী পামজ শঙলেন্নি ।
লৈরাং লৈমন চল্লরোই ॥

অঃ — লৈরাং লৈমন চল্লরোই ॥

নঙ ঐগী পোলোই

পাখং — চীংজুম লাইজা ঈফুৎথোক
থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল
ইশানৌ নঙবু তাদবরা
উদবরা লোইজীং লোইয়া
পূমথল থল্লে পূমলং লংলে
তাউথখিবা তারেনে ইনেমচা॥

লৈশাঃ — ইশাবী নঙবু মুংশিবী
ইথংলেন নঙবু পাম্মুবা
মুজা পাঙ্গল ওইবনা
লাইজনদি চাংদোন পাখিবনা
ননাওনা ঙৌনা খাঙবসে উদবরঃ
ঈরাল্লক্লোগবা ইশাবী নঙবু পাঙ্গ-ঃ
মুজা থবায় কল্লরো॥

পাঃ — ইশানৌ নঙবু মুংশিবী
পাখং লা্ক্লে ঋারগনু পাম্মুবী
শনলাংদি ইচোই চোই
পায়মা মুংবংনা করি থল্লিবা
পম্থ য়াত্র ঋাংলেননি
পায়য়ুনে পামেলছগী উশাদো
য়াল্লকউনে শমু ঐগী খুৎতা॥

লৈঃ — ইথংলেন নঙবু মুংশিবা
মানজা নঙবু পাম্মুবা

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

লাইজা ঈরেল অচৌবা
মায়য়োক্লখ্রেদো ননাওদি
পাম্ম্গী শমু থুংপু লাম্বা ফংদরে ॥

অপুনবা— নোংদম থীবি নোংদম থীবা
মপোক ওইখিবনা
কাযনবনা ওইরেদো পোলোই
নঙ ঐগী পোলোই ॥

 ২৪ । ৭ । ৮৪

থম্মোয় থবায় লাম্হেংনবা

পাখং — নঙগী থবায়না কনাবু থিরিবা।
লৈশা — নঙগী থম্মোয়না কনাবু ঙাইরিবা।

পাঃ — করিগীনো নঙনা ঐগী
মুংশিজরবা থম্মোয়গী তংখায়মা
শেৎতুনা লোম্না পুখ্রিবা?

লৈঃ — করিগীনো নঙনা ঐগী
মুংশিজরবা থবায়বু পুবিখ্রিবা
তাকল্লমদনা থবায়গী মপুবু।

পাঃ — মচেৎ তারবা থম্মোয়সে
ঙন্নক্তরে পুত্নুনা চৎপা
হনবিরক্লো ঐগী থম্মোয়।

লৈঃ — থবায় য়াওদ্রবা হকচাংসে
লৈফম চাফম খঙদরে
পীবিরকলো ঐগী থবায়।

পাঃ — কায়রবা থম্মোয়গী লৈহৌরি মচেৎসে
মালেম লৈদা তাত্নুনা লৈরে
থাঙফম খঙদা পোৎথাফম লৈতা।

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

লৈঃ — হাওলা নোংমদোন অতিয়া মালংদা
পাইত্নুা লৈরি ঐগী থবায়সে
কায়দোংফম থঙদা চাক্তাফম লৈতা।

অপুনবা— করম্বা মুমিং থাদা
থম্মোয় থবায় পুল্লগবা।

হো পাম্মু মৈনা চাক্লে

ভং — হো পাম্মু মৈনা চাক্লে ঐ

পাঃ — হো মুংশি মৈনা ডাওবে ঐ

লৈ. — মমিং ভাংবা খোইমুনি
লৈপাল খুংনা কোয়রমনি
খঙলুদবনা মুংশিরুবে নঙবু ॥

পাঃ মরোল নাইবা লমচংনা
লৈরাংগী শাডং ওইবমনি
খঙলুদবনা মুংশিকরে নঙবু ॥

পাঃ — চঙশিনংঙ্গু ডমদরে হন্দোকপস্থু যাংদে
মুংশিমৈনা চকথেক্লে পম্মোয় ঐগী
কবম খাংনবা মুংশি মৈচাক ।

পাঃ — লেপ্পা লৈতা চঙশিন্সি ঐদি
মুংশি নকা তম পুবহনা থম্মোয়
মুংশি মৈনা কাথেক্লু থম্মোয় ঐগী ॥

অঃ — চিংনমুসি কোংনমুশি মুংশি কোচি
থাজনসি মুংশি পম্থুং যৌনবা
থবায় থবায় পোম্থা ওইনরগা
শিংনসি মুংশি লমন নঙ ঐগী ॥

চিরিক চিরিক তুনানবী

নাবাঃ— চিরিক চিরিক চিরিক
খোঙ্গেল পীক্কা শৈশকলিবী
হাদা চেক্লাচাদি অপিখক
খোইনৌ নঙবু চান্নরোই
ইতা নঙবু মক্লপলোই
নঙগী খোয়গুম্ন শৈশকপু
তাবদা উনীংবনা নহাকপু
লৈতাদরে ঐগী পুক্নাং ॥

চেক্লাচা— খোইনৌ ইতা চান্নরোই
ইতা নঙবু মুংশিবী
হা কনানো নঙবু
নতা ঐদি চাক্তারিয়ে
তারা চাকপু চারিয়ে
নপন পম্বৌগী লৌকোন্দা ।
লাউ ইতা নঙসু চাসি লাউ
পম্বৌনা উবা লৌকোন্দা
চরিং চনান চাস লাউ
পেন্না পেন্না চাসি লাউ
নবুক ইবুক থনসি লাউ ॥

নাবাঃ— করি বানোদা চান্নরোই
ইপন পম্বৌনা উজবা

থিংঙেল লইক্লা ঈগ্রাওথোল

লৌগী মহয় মনোংবু
ইগানা লেপ্লা চাবি সিবু
ইতাদা নঙনা শামাম্নবী
চেক্লা শঙ্গুনা চারিসিবু
ইকায় শেঙ্গোয় হাঙদবরা
পাউখুম্ফুদা নঙনু হতারোই
হাদা চেক্ল'চাও থুংশবী ॥

চেক্লাচা – হুংশি খোয়রোঙ হতারোই
খোহনৌ নঙবু থুংশবী
ইথা নঙবু পাম্মুবী
নঙদি খঙদবোহনো চাম্নবী
নমু তাহনংমা নখোয়না
মালেম খুম্ঙাক্লপাদ মতমদা
পাম্বা কৈরেলনা চাহুনা
তাহবং থরায় মাঙনরবদা
উচেক্কা মপোক্ক। পোক্লবা
শমু পাঙ্গলদি পাকচবা
পোম্বা চেক্লাদি খাবক্লা
তাহবং নখোয়গী নতেংপাং
পাম্বা কৈরেল হাংখবা
করিহুংগী অকাউ পরৈ চনবনো ?
পাম্বা কৈরেলনা শিগ্রতুং
নমুপোং ওইবা নখোয়না
য়েক্ল তিংখং লৈতনা।

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

খুয়া তুশিংনা পানথিবা
কোরৌ হুমিং অহুদৈ
তাইবং নখোয়না রাশকখিবনে
মালেমদা হয়েং তুংলমচৎতা
চারোন ওরোন ফাওবদা
পোশা চেক্লা ঐখোয়দা
পাংখিবা মতেংগী লমন ওই
তাইবং নখোয়না উজবা
লৌগী মহয় মরোংবু
উঃচেক রায়া ঐখোয়বু
লেম্না লেম্না চাজৌ হায়না
রাচানশিবা পাউমেম্নাখবা লৈবনে
মরম অহু লৈবদৈ চাবনে
হো চাবনে হো চাবনে ॥

অপুনবা— রাইহ খিবিক পাউমেল্লম
চিরিক চিরিক খোংলহুনা
উরিৎ মচা তুনানবী
তক্ক তক্ক পুম্বুম্বী
চেক্লাচাদি চেকনুংশি
পোম্বীচাদি অপিথক
শাগন তুফাং থপ্লদনা
নেম্না রাংনা রাংনা নেম্না
কোয়না কোয়না পাইরিয়ে
শঙ্গু শঙ্গু পুল্লপ পুল্লপ
পস্তৌ থারি লৌবুক্তা
খোংলহুনা চিরিক চিরিক
চিরিক চিরিক চিরিক ॥

নঙ য়াওদবা তাইবংসে

নঙ য়াওদবা তাইবংসে
ইহাঙ হাঙডি ইকোক কোকই
ইলুম লুমদে ইয়াং য়াংডি
ইহাম হাম্মি ইহো হোই
ইখা থায় ইথুম থুমদে
ইফক ফকই ইশিল শিল্লি
ইয়াক য়াকই ইচম চম্মী
ইনান নাল্লি ইমান মায়ে
ইশুক শুকই ইনম নম্মী
ইথু থুই ইতান তানদে
ইচেং চেংই ইলল লল্লি
ইচু চুনদে ইচুম চুমদে
ইকোম কোম্মা ইথল থন্দে
ইতাম তাম্মী ইয়ো য়োদে
ইপীক পীকই ইচাউ চাউদে
ইনেং নেঙ ইনৌ নৌই
ইথুই থুই ইলেক লেকথৈ
ময়োন চোংদে মভোল থোক্তে
মনা পান্দে নঙ কোকই
মুংশিং শিংলি উনা লেঙদে
ইশাম শাম্মী ইহৈ হৈনীংদে
হৈরাং পাল্লি মহয় য়ান্দে
লৈরাং শাংলি লৈহা চেন্দে

খিংডেল লাইজা ঈরাওখোল

কুংম্ম শাম্নৈ কুম্নৈ পানদে
জগোয় শানৈ জগোয় ফজদে
নাইতোম তাই পোপা কায়
মচল শুদে লৈচন চাদে
নঙ য়াওদে ঐ য়াওই
কৈদৈকুনি ঐ ইতোমতা
নঙ য়াওদবা তাইবংসিদা
থবায় য়াওদবা তাইবংসিদা ॥

খুনুখরংনা খোইনীং চেনখিবা

নোংমদোন লাইবৈবাক্‌ন ফজবরা
লোইবী লোকমায় অমদা নীংখিবা
শাংলি লৈকোল থম্না গুলাবলৈ
অঙাঙবা অঙৌবা নাপু ঙাউলৈনবা
শিংঙেল লৈচু গুনা শাংলি
লৈবাং লৈখল গুনা হৌরি।
ইন্নুং চুপ্পা লিকলা খুবরী
শিংঙেল লৈবাং গুলাবলৈ
তগং তগং তেক হরাওনা
হবাও মথোই কারদনা
মোমোন নোক্না ঙাইহরি
মথংলেন খোইনীং মুংশিবা।
চেকলা শৈশক তারকনে
পোম্বী শাখপ তোয়রক্লনি
নীংজবা আশা থুংলনি
মায়থোঙ মকা লাম্নরি
লৈকোলগী গুলাবলৈ ময়ামদো।
মখোয় মশেন অমগা অমগা
জুক্ক জুক তৌনরি
মুকুম মুকুম শোম্নরি
চিবোন চিবোন ঙাওনরি
মালং শউম ফংবদা
খঙ্গোল হকচিক লংদা।

থিংডেল লাইজা ঈরাওখোল

কডখরেদা মুং শিখরেদা পাম্মুখ.বদা
রাখল লৈকোল নীংথিবী
থম্মোয় লৈবাং ফুংশিবী
য়েংহুনতা লৈনীংথিদা য়েংহুনতা
রাখলগী থম্মোয় লৈকোলসে।

লৈকোলগী নোংপোক পাংবদা
সতাইদি চিদাই থরা ওইরপনা
লৈবাং লৈশাং তমজরিবী
থোংতা থোংগী তথোংগী
নৌদা নৌবী তনৌবী
ডাংডা ডাংবী তডাংবী
নাইতোম শাবী ফজবী
শিংডেল লৈরাং গুলাববৈ
পুমবুম্মা চকু শারক্লি
লৈরাং লৈনা চোইদরি
লৈহী মপুং ফারি।

উহৌদে পাইশিনখি নারোন্দা
থোইনাং অনা শকহেনবী
লৈরাং মনা তম্নদনা
লৈরুরগে শংলুবগে মতানি
লৈহৈ পেম্মা চুপলুবগে মওংনি।

তোংলরে শংলরে চুপ্পরে
বয়াদা রানা থাওজখিবা
শকহেনবী লৈরাং গুলাববৈ।

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

স্বন্না কুমজা তরেৎ চুপ্পা
মুংশি চৈথেং খাঙলক্লবা
গুলাবলৈ শাংলি ঙাল্লি
লৈতেংলি রাখল লৈবেল।

কুমজা খুদিং য়েন্নীং খা
কোরৌ খুদিং লৈশাং ওম
থৌগনজাব্রি রাখল লৈবোকদো।

নোংমা কোংবৌ অমদি
পাইবকপি খুনুথরং অমা
রাখল লৈবোল তয়রুগনা।

উটেং রাগা অনীকপা।
।ংবনা মক থক নক্রুখ
লোংনখি পাইনখি চেন্নখি
খুন্নুথরং শঙ্গুন ফংবদা
নোংশোল লৈবাং থিবিবস্থ
হাইনা ভয়া ঙানা-পেংনা খাঙনখি
কিক্তবনা খুন্নুথবং মহাক্রুবু।

তঙাংবী গুলাবলৈগীদি চাম্নোই
মথংলেন খোইনীং অতুমদি
থোংনা নৌবী লৈরাংগী লৈয়োম
খোয়থুম্রবী শিংঙেলগী লৈহৌনা
লৈবাংগী মুংশি লৈপুন ওইথিবনা
নাম্বোকপম্থ নংহৌদরে

থিংঙেশ লাইজা ঈরাওখোল

পাইথোনপস্থ ঙমহৌদরে
তাখরে খুনুখরংগী খায়াংতা।

খুনুখরংনা তাপ ফায় খোইনীংদো
তিংথোরকই মখোঙ ওইগী খুবাং
থৌব তুম্ন খুজিন্দো মচাতা
থূমনা যাংওনা থিংজিনখি
থৌনাও তিংখলদা খোইনীংগী।

মখোল থোকখিদরে পোম্বীদো
খুংশিজবা চেক্লা খোইনীংদো
চেন্দুনা পুখরে মালংদা খুনুখরংনা।

পাইরকখিদরে খোইনীংদো অমুক
ঈশৈ শরুখিদরে খোইনীংদো
তাখিদরে খোইনাং খোঞ্জেল
তাখিদবনা মুংশি শৈশক্তো
কংখরে লৈকোলগী লৈরাং
মাঙখরে মুৎখরে লৈকোল
আঃ ওন্থোকপনিদা পান্মুখরেদা চাকইদা

হে খুনুখরং! তমথীখরেদকো নঙসে
নপুন্সীগী অপেনবরা মসিনা নঙগী।

তমথীবী খুনুখরং চেকলানা
মখোঙগী খুজিন্না লেংহনা
পুথিবা খোইনীংদো মুন্দুনা
মশানৌ গুলাবলৈ মথাদগী।

থিংঙেল লাইজা ঈবাওখোল

য়োৎল্লে খোংনাং অশোইবী
থল্লে খো নাং অককপী মককথক
খোইনীং মচা শকহেনবীদো।

খুন্নুখরংনা মখোঙ অনীনা নেৎশিল্লে
শাদোং শেৎপা হৌরে মচিন্না
মচেৎ মচেৎ ফং ফং চিং।

খোইনীংগী শাগল ভুফাং মচাদি
অনীদো অপিখক কনর্জার
ফদরৎ ফদরৎ লেঙবদি ঙমজদ।
পাইজনাং পাইবদি ঙমদা।

করিনো তৌরিবা খোদোসিবো
য়েংহৈদরেদকো হে তাইবংপান
করি মতৌবু কৌবনোকো
করিনোনে তৌরিসবু হে তাইব' নপু

পায়মা বাখল তৌবিয়ুদা
য়ারা কোলোইবিরিবা অত্নবো
খুন্নুখরংদি শাহীং চাবীনি
হিংথৎ থৎপীনি হিংচা চাবীনি
মহাকদি মনাৎনি মহৌশানি
শাহীং চাবী হিংচাবীনা
মচিঞ্জাক ওইজবা খোইনাং
মচা অমবু ফাহুনা চাজবা
কনানো থিংলগদবা তাইবংদ।
মরু ইহুল তমস্রিনা ঙসিফাও।

হিংহেল লাইজা ঈরাওখোল

চাঙসম্নু চাও চাও থুমুথরং
নবুক থম্না চাও পেম্না চাও
শিজসম্নু খোইনীং শিঙসম্নু।

থোইনিং থম্মোয়গী নুংশি পোম্বী
নথবাগ নংগ্রেন মঙা লাম্নফম
পম্বী নঙগী শৈশক শৈবোইফম
থইব্রেলন সনা খোংনাং মককথক
লৈহৌ বাবো চাম্ববী চংলে বিদায়

(৬৬) ১৪।৯।৮৪

তুমিন মদোম লেপচরিবা

তুমিন মদোম লেপচরিবা
মক কোক্লবা পামেলদা
কনানো কায়দোং থিরিবা
হায়য়ু নঙবু কনানো ॥

থাবলনা যিডৌযৌ থোক্লিবা
চৈক্লবা অহাংসনা অবাপ্লদগী
শেংফাৎতনা তারিবা খোঙ্কেল
নীংবা কায়রবা কনাগীনো ॥

মতম অমদা কুইগ্রবা
শকখিবা ঈশৈগী শৈহেক
পুম্নাগী শৈশব শৈরোল
নৌচৌনা নীংশিংলকাল ঈশৈদো ॥

হৌগ্রবা পৌদোক নীংশিংলাক্লি
নীংশিংলাক্লি মঙ্গল মপাংবুস্ল
মুংশিডখিবা চন্দ্রমা অদুবুস্লু
নীংশিংলাক্লি ঈশাগী ঝারীবুস্ল ॥

নোংমদোন অতিয়া মালংগী
থবানিচাকপু হঙৎনা য়েং
তয়াং তশোহ মিপাইনা
করিগীনো মশীং থীক্লরিবা ॥

থিঙেল লাইজা ঈরাওখোল

মচোই মচোই তারিবা
ইচাই ইচাই চাইরিবা
ৱাখল লম্বী লম্মুক্লরিবা
পল্লেমফম খঙত্রিবা করিগীনো ॥

খোঙ্গেল অমা হৌরবা
লাউরকখি হিংনা ফাও
নাঙ্গোকহনখিন্নু হিংনা ফাও
চেনগন্নু চেনবা যারোই ॥

চঙশিল্লবউ মাঙদা চঙশিল্লকউ
লেপ্পু চুন্না লেপ্পু লেঙগন্নু
নথুং পাঙ্গংলু থাঙ্গংলু
কাপখি দোং দোং দোং ॥

 ১৫ । ৯ । ৮৪

মহাক হল্লকখিনি শোয়দনা

মহাক হল্লকখিনি শোয়দনা
মতম অদো লাক্লগা ॥

লৈখোয়া শাবা হকচাংনি
তিনখিনি মালেম লৈদা
মাস্থ নঙস্থ ঐস্থ ঙয়া
মৈতালনা বাখৈরবা মতমদা ॥

থাজক্লগস্থ লৌনম বাহৈ
তারুগস্থ মীনম বাঙাং
হল্লক্লরোই চৎগ্রবান মহাক
হায়াজনবদো শিগ্রবনি মহাক ॥

মহাকপু হুংশিনিবা খুদিংনা
মহাকপু থাজবিবা মখৈনা
কৈদৌঙুংদা হায়বক্লোই ওইদবা
মীনম পাউজেল চেল্লক্লোই ॥

লৌনম বাহৈ পল্লরোই
স্থপ্নতা পীরক্কনি পাউতাক
পজেং ফিরাল ফংগে তাল্লিবা
ফংলকউকো লানঙম ফিরালদো ॥

পোক্লফম লমদম ইরৈবাক
ইমা নঙগীদমক পোকচবনি
পাম্মুদে থবায় পলেমগীদমক
কৎথোকচরবনি থবায় মঙাসে ॥

পলেম নঙবু হুংশিবী
থবায় কৎথোক্লনা ঐখোয়
নঙগীদমক তাল্লবনি ঐখোয়
পামজবা পস্থুং ঐখোয় ॥

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

নোংখোঙ কুঙনা হৌরক্লি
ফুইনা হৌবা নোংহৌনি
নোংপোক চিংখৈ পাংবদৈ
নোংহৌ অমা অকনবা।

নোংখোঙ কুঙনা হৌরক্লি
শুরা ময়া হৌরক্লি
পাক্লা শন্না চুদৌরি
নোংহৌ অমা অকনবা।

নোংহৌ সিনা চুথরক
শোয়দনা থুম্নরনি কলৈবাক
চন্নগনি ঈরোলঙুংদা চন্নগনি
নোংহৌদগী ঈরোলঙুংদা চন্নগনি

ইরৈবাক মচাসা বন্নাংলবদি
কংলৈ পোকপী পলেমবু
লাউ থিংঙেল থিংহৌসি লাউ
লাউ ইরৈবাক কলহৌস লাউ।

পলেম নীংবী ইমোমখোয়
পম্হৌ নাংবা পারিখোথ
লাউ খোরকউ খোরকউ লাউ
পম্থ যাত্র বাংলেম্নি চঙশিল্লু।

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

চুথরক্লে নোংনা ৱা ৱা
অতং অখম লৈতা চুরে
চাউরে ঈশিং থূম্লে ঈশিং
ঈশিংনা পারে পাথোক্লে।

হাইবে থিঙেল ফেং ফেং
খাঙবা ঙমদবে থিংঙেল
নমখাযরে থিংঙেল কায়রে থিংঙেল
লোক্তাক খাবা শারে।

মীরম শম্লাওদি কোকচাঙবা
লাম্নবী মচাদি পূকথেনবী
শেঙ্গাও পায়বদি হূন্নানবা
কংলৈ য়েক্লবদি লমজীংবা।

শরোই ঙারোই শরৌ শীন
কল্লক মিঙৌজাও কাঙবুশিং
চিরোল মখোঙ পানবশিং
লোম্না য়াওবম্লে নমখায়বা।

নমখায়রে থিংঙেল কাযবে থিংঙেল
ইস। করি মতৌনো তৌরিসিবো
তারোলাউ লৈবাকমচাসা তারোলাউ
থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোলসে।

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

থিংঙেল লাইজা ঈবাওখোল
লাইজা ঈবাওখোলসি তাবদা
থম্মোয তনিক তনিক্লে
পূক্লৌং ওয়াং তশোইনে।

পূমলং লংলেদনা লাইজনা
থিংঙেল থিংবা ওম্মরোই
মতম হেল্লে ওম্মরোই
কংলৈ লূপলেদনা লূপচরসন্তু

হে থবায মঙামক
মিগা থা'না তককমক
নহনযমদা হনজিল্লো
নতেযমদা তেশিল্লো।

শোর শাংনা শা'না
চনৌং তানা তানা
সে সে কুৎ যোৎশিল্লু
কুকুকু বুকুকু কুকুবু।

(৬৯)　　　　৭ । ১০ ৮৪

খাইনা লমখায়দা

লাঙোন লাঙোন লোয়নন্নুং
থম্মোয় পোনগী থম্মোয়ন্নুং
লাইজা ঈহৌরে থম্মোয়ন্নুং
নীক্লক্লে হুকচাংসে লকান্নুং
ফংগদৌরে মপুই খুয়াখা ॥

মপুই শিন্থাদি ইথৌদাং
পাঙথোক ঙম্মরোই থল্লুইদো
থম্মোয় ঐগী থম্মোয়ন্নুং
পায়মা ঐগী পিবুকন্নুং
বাখল ঐগী বাখলন্নুং ॥

পুন্সী ঈপাক ঈরানবা
পুন্সী হিরেল অচৌবা
হিরেল হিমায় লয়খরে
হিনাও শাবা হৈতরে
হিমায় চুম্বা ঙমদরে ॥

মাঙদা হৌরক্লি ঈথকসে
ঈথক্কী বাংল ইপোমসে
পৌয়াই খায়বদা নৌরেলনা
শানা পাঙ্গল থোকখিদে
পামজ পনথুং য়ৌখিদে ॥

থিংঙেল লাইজা ঈরাওখোল

হৌরক্লি ঈথকসে লকাম্নুং
মখোল থোরক্লে ঈথকসে
তাউনে ঈথক্কী ঈরাওখোলসে
থম্মোয লাইজা ঈরাওখোলসে
থম্মোয় কায়বা ঈরাওখোলসে ॥

থম্মোয় লাইজা ঈহৌরক্লি
থিংবা ঙম্মবোই ঈহৌসে
যৈবক্লে থম্মোযদা ঈহৌসে
তনিক তনিক্লে হকচাংসে
তযাং তশোইরে ৱাখলসে ॥

লোইরমাল্লে পুন্সী থবায়সে
থম্মোয লাইজা ঈহৌসে
থিংবা ঙম্মরোই ঈচেলসে
পুগ্রসম্নু ঈচেলসিনা থবায়সে
য়ৌননবা মপুই খুযাখা ॥

থবায় হকচাং খাইনবা
খাইনা লমখাই অসিদা
লৈজরগে ইদোম লেপতুনা
পুন্সী ঈশৈ শক্কুনা
মপুই কোলোয় শোন্দুনা ॥

 ২০।৬।৮৪

হো ইমা লৈবাক কংলৈবাক

হে মীওইবা তাইবং মীওইবা
লাইগী মমি ওইবা মীওইবা
মীওইবা ঐখোয় লাইগী মচানে
মৈতৈ মচা ঐখোয় মীওইবনে
মৈতৈ ঐখোয় লাইগী মচানে ॥

পোইবৈনা লৈবাক্কি কংলৈবাক্কে
মালং খাম্বী মালেম লাইজা
মরীনা ফানখোঙ চূপ ওইবনে
নোংথৌনা শেকপীন থাকন ওইবনে
শালায়রেম্মা ঐখোয় পোকপা পঙ্খেনে ॥

মবম্মা লমলেন্দি লমন্নুংশিনে
যেক শলাই তবেৎনদি খুন্দাবনে
মচু-তরেৎনা লৈতেং ফিজোলদি ওইবনে
লোইবীনা পল্লোন মাপলদি থাবনে
ইমা লৈমবেন শিদবীনা কোনবনে ॥

পোইবৈনা লৈবাক্কি কংলৈবাক্কে
মবম্মা লমলেন্দি লমন্নুংশিনে
লাইজা ঈশা মাপলগী তাক্কলোক
লোক্তাক ঈপাক্কদি মিংশেল ওইবনে
হো ইমা লৈবাক কংলৈবাক ॥

পোক্কফম লমদম ইবৈবাক্কী ইবৈবাক
হো ইমা লৈবাক কংলৈবাক ॥